মণিপুর লৈঙাক

ইকাইখুম্নজরিবা মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী অজয় কুমার ভল্লা

না

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা

ফেব্রুৱারী তাং ৫, ২০২৬ দা

থমগদবা ৱারোল

ইকাইখুম্নজরিবা মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী অজয় কুমার ভল্লা

না

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা
ফেব্রুৱারী তাং ৫, ২০২৬ দা
থমগদবা ৱারোল

**ইকাইখুম্নজরিবা স্পীকর অমদি ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং**

**ৱাহৌদোক**

১.	১২শুবা মণিপুর লৈজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা সেসন অসিদা ঐহাক্না পূম্নমকপু তরাম্না ওকচরি।

২.	চহী অসিগী লেজিস্লেচরশিংনা অহানবা ওইনা ফম্বা সেসন অসিনা, নীংথিনা য়াৎথোক্লবা তৌগদবা থবক থৌরমশিং অমদি অমত্তা ওইনা য়ানরবা ৱারেপশিং পাঙথোক্লবগী খুদোংচাবা অমা পীরে।

৩.	ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া পূক্নিং ফাথনা মায়োক্লবা ঙন্বা, খাঙবা কনবা অমদি খোঙলৈ থুনা ইং তপ্পা, তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনরিবা কয়া অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না থমজরি। ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা ৱাফমদি, ঐখোয় মশেল ৱাখল তামিন্নবা, মতেং পাংনবা অমদি শান্তি হঞ্জিলহন্নবা অমদি হেন্না চাওখৎপা মায়কৈদা চৎনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনরিবা অসিদা পূম্নমক্না মতেং পাংমিন্নসি।

**লো এণ্ড ওর্দর অদি জষ্টিস দেলিভরি**

৪.	ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, লো এণ্ড ওর্দর ফনা থম্বা হায়বা অসিনা সরকার অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মিৎয়েং চঙলিবা হীরম অদুমক ওইরি। কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকার, সেক্যুরিটি ফোর্সশিং, সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি কম্যুনিটি ইন্সটিট্যুসনশিংনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবগী মহৈনা, মণিপুরদা ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবগী মায়কৈদা খোঙলৈ য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্লক্লি। তাঞ্জা অসিদা ইকাইখুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিজি অমদি শ্রী অমিৎ সহাজি না ষ্টেট অসিদা শান্তি হঞ্জিহল্লকপগীদমক ঐহাক্না ইকাই খুম্নবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ইন্টিলিলেজন্সতা মপূং ওইবা ওপরেসনশিং, এরিয়া দোমিনেসন তৌবা অমদি খূৎশম্নদুনা চথবা কোর্দোন অমদি সর্চ ওপরেসনশিং ভলনরেবল দিষ্ট্রিক্টশিং শীনবা থুংনা চথবনা মরম ওইরগা লো এণ্ড ওর্দরগী ফিভম শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলক্লি।

৫.	ইউনিফাইদ হেডক্বার্টরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্টকী লেভেলশিংগী খুখাংদা চাং নাইনা কোওর্দিনেট তৌদুনা ইউনিফাইদ সেক্যুরিটি আর্কিটেকচর অমা রিইনফোর্স তৌখি। ষ্টেট পুলিস, অসাম রাইফলস অমদি আর্মি য়ুনিটশিংনা মতেং পাংদুনা, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স কম্পনি ২৭২না ভলনরেবল এরিয়াশিং, ভাইটেল ইন্সটোলেসনশিং, হাইৱেশিং অমদি ফার্মিং জোনশিংদা শোয়–ঙামদনবা দিপ্লোই তৌরি। ক্রিমিনেল এক্তিভিটিশিং থিংননবা অমদি মীয়ামগী থাজবা হঞ্জিলহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্টশিংদা জোইন্ট মোবাইল টিমশিং,

স্পিপসিএল ওপরেসন গ্রুপশিং অমদি এন্টি-এক্সটোর্সন য়ুনিটশিং লিংখৎলে।

৬. ইল্লিগেল আর্মশিং ফাগৎপা হায়বসি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলল্লক্লগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। হৌজিক ফাওবদা খূৎলাই ৭৩১৩, এম্যুনিসন রাউণ্ড ৮৩৫১২ অমদি এক্সপ্লোসিভ ৫১৯৫ ফাগৎলে। কুমজা ২০২৫গী অঙনবা শরুক্তা খূৎলাই ১.০৭ ভোলুন্টরি সরেন্দর তৌরকখিবা অদুনা মীয়াম্না শান্তিগী প্রোসেসতা থাজবশ হেনগৎলে হায়বদু তাক্লে। মসিগী মথক্তা, চীং অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদা শাবা বঙ্কর ৫৪৯ থুগাইখিবা অদুনা হিংশাগী থবক শীংথাংনিংঙাই ওইনা হন্থহল্লে।

৭. ইকোনোমিক নোর্মেলসিদা চাওনা অকায়বা অমা ওইহল্লিবা এক্সটোর্সন থিংননবা, ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা এন্টি-এক্সটোর্সন য়ুনিটশিং হাংদোক্কুনা পূং ২৪ চুপ্না মথৌ তৌহনবা অসিনা অরানবা তৌবা মীওই ৯২৪ হেন্না ফাগৎখি। আইন কায়বা থবক তৌবগা মরী লৈনবশিং ফা-পূনবা থিংননবা থৌরাংশিং অমদি রিকোভরি তৌবগী অহেনবা থবকশিংসু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পায়খৎখি।

৮. কেন্দ্র সরকারগী তেংবাংগা লোয়ননা য়াম্না মশক থোকপা হ্যুমেনিটেরিয়ান মেজরশিং লৌখৎলি। মখোয়গী মশাগী দিগ্নিটি হেনগৎনবা অমদি চোইচ লৈজনবগীদমক, চান-থক্লবা পোৎলমশিং হকথেংননা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংদা পীরম্বা অদু কুমজা ২০২৫গী নবেম্বর ১দগী দাইরেক্ট বেনিফিট ত্রান্সফর ওইনা পীবা হৌখি। পিঃএমঃএঃৱাই - জি বেনিফিসরি ৭০০০তা য়ূম অমমমগী ওইনা লুপা লাখ ১.৭০গী টোপ-অপ এসিস্তেন্স পীবা অদু য়াওরগা, লুপা কোটি ৫২৩গী রিসেটলমেন্ট অমদি রিহেবিলিটেসন পেকেজগী মখাদা তাঙ্কক নাইনা রিসেটলমেন্ট তৌবগী থবক হৌখ্রে। ইমুং ৬৩০০দা অহানবা ইন্সটোলমেন্ট পীখ্রে। অয়াম্বা শাবগী থবক চথরি। কা হেন্না মাঙ-তাকপা থোক্তবা য়ূম ২২০০দসু তেংবাং পীনবা শেল কায়থোকখ্রে। অমরোমদা, ভেরিফাইদ তৌরবা রিটর্ন অমদি রিসেটলমেন্টকা মরী লৈনননা য়ূম মাঙ তাকখ্রবা ইমুংশিংদসু খুদক্কী ওইবা তেংবাং ফংহনখ্রে।

৯. অমুকহন্না খুন্দা লৈতাহনবগী থবকশিং চিফ সেক্রেটরিনা মকোক ওইবা ষ্টেট লেভেল কম্মিটি অমদি দিপুটি কম্মিস্নারশিংনা মকোক ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটিশিংনা মোনিটর তৌরি। য়ূম-কৈ শাবগা লোয়ননা, হিংনবগী, হকশেলগী, মহৈ-মশিংগী অমদি থবক পীবগী লমদসু মপূং ফানা তেংবাং পীরি। স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংগী মখাদা, নহা ৪৩০ হেনবদা ট্রেনিং পীখ্রে। ইমুং লীশিং কয়াদা হিংনবগী তেংবাং ফংহনখ্রে। আইদিপি ১০০০০ রোমদা হেল্ট কার্দশিং ইসু তৌখ্রে। মহৈরোয় ৭০০০ রোমদা মহৈ মশিংগা

মরী লৈনবা তেংবাং পীখ্রে অমদি স্পিসিএল এমজিএনআরইজিএস জোব কার্দকি খুথাংদা এমপ্লোইমেন্ট এসিষ্টেন্সসু পীখ্রে।

১০. হিংনবগী খুদোংচাদবশিং কয়া লৈরিবা, কম্ম্যুনিটি এসেটশিং নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী, হান্নগী খুলশিংদা সুপরভাইজ ভিজিটশিং চৎপা অমদি পিঃএমঃএঃৱাই-জি, ২০২৬-২৭কী মখাদা অহেনবা য়ূম ৫০০০দা তঙাইফদবা কয়া পীবগী ৱাফম লৈরিবা অসি য়েংলগা, সরকার অসিনা লাক্কদবা চহীদসু অহেনবা সেক্যুরিটি পীবগা লোয়ননা শেল-থুমগী তেংবাং পীদুনা তাঙ্কক নাইনা খুন্দা - লৈতাহন্নবগী থবক মখা তানা চত্থখিগনি। কুমজা ২০২৬কী মার্চ ফাওবদা আইদিপি য়ূমথোং ১০০০০ হেনবগী মীওই ৪০০০০ হেন্না মশাগী হান্নগী মমল অদু লৈনা, হেন্না শোয়দ-ঙামদনা অমদি তুং কোইনা শাফনা হিংনবগী খুদোংচাবা ফংহন্দুনা খুন্দা - লৈতাহন্নবা সরকার অসিনা খোঙফম চেৎনা হোৎনরি।

১১. ইকাইখুন্নজরিবা মেন্বরশিং, দ্রগনা পীবা চৈথেং থেংনবা, লাকশিনবা হায়বসিসু খ্বাইদগী হেন্না মিৎয়েং চঙলিবা হীরম অমনি। জিরো-টোলরেন্স হায়বা পোলিসি অমগী মখাদা, তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা একর ৩৮৪১.৩ হেনবদা থারম্বা পোপ্পি য়ানথৎতুনা মাঙহনবা অমদি চহী অহুম অসিদা নার্কোটিক্স এণ্ড ফার্মসিউটিকেল দ্রগশিং মশীং য়াম্না ফাগৎপগী থবক চত্থরি। ফাইনান্সিএল ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা এসেটশিং ফ্রিজ তৌবা অমদি নশা মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা এৱেরনেস প্রোগ্রামশিং অমদি কোওর্দিনেটেদ এক্সনশিং লৌখৎতুনা দিমাগু রিদক্সন তৌবা অমদি রিহেবিলিটেসন এফর্টশিংসু পাঙথোক্লি।

১২. পুলিস ফোর্সপু মতমগা চূননা হেন্না ফগৎহন্নবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। সাইবর ক্রাইম হেল্পলাইন অসি মপূং ফানা মথৌ তৌরি। সাইবর ফোরেন্সিক দিভিজন অমা লিংখৎলে। অথাপ্পা মফম ৩৩দা সিসিটিভি সর্ভিলেন্স এক্সপাণ্ড তৌরে। পুলিসকি তৌবা ঙম্বা থোইদোক হেন্দোক্লা হেনগৎহন্নবা, মসিগী সেক্যুরিটি, মোবিলিটি, ফোরেন্সিক ইক্বিপমেন্ট অমদি স্মার্ট পোলিসিং ইনিসিএটিভশিংগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা লুপা কোটি ১৯৬.৬১ গী শেনফম এপ্রুভ তৌরে। পুলিস বিল্ডিংশিং, বেরেকশিং, ক্বার্টরশিং অমদি পিস কেম্পশিং, অচৌবা প্রোজেক্ট ১৬ অসি সাচিগী মখাদা লুপা কোটি ৫৪ কাইথোক্তুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং চাওখৎলক্লি অমদি মসিদা মন্ত্রিপুখ্রিদা পুলিস হেদক্বার্টর অনৌবা অমা শঙ্গাখ্রে অমসুং ইম্ফালদা পুলিস মিউজিয়ম অমসু শঙ্গাখ্রে।

১৩. রেস্ক্যু ইক্বিপমেন্টশিং লৈবগা লোয়ননা পার্সনেল ৬৩০০০ অমদি ভোলুন্টিয়রশিংদা ট্রেনিং পীবা অমসুং মোক দ্রিল ১৫০০ হেন্না

পাঙথোকপনচিংবা থবকশিং চথদুনা কুমজা ২০২৫–২৬তা ফায়র এণ্ড ইমরজেন্সি সার্ভিসতা মশক থোক্লা ইনভেস্টমেন্ট তৌখি। থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা মতম চানা থবক পায়খৎখিবা অদুনা মী অমা শা–ষণ ১০০০ হেনবা কনবা ঙমখি, ইসেন্সিএল সার্ভিস ফংহনখি।

১৪. অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মথৌ তাবশিং পীবা ঙম্নবগীদমক দাইরেক্তোরেট ওফ ফোরেন্সিক সাইন্সতা মোবাইল ফোরেন্সিক ভানশিং হাপচিন্দুনা হেন্না ফবা লেবোরেটোরিশিং থমদুনা দিএনএ এনালাইসিস ৱিং অমা হাপচিন্দুনা সাইবর ফোরেন্সিক ফেসিলিটিশিং লৈহন্দুনা অমদি মেনপৱার হেনগৎহন্দুনা, হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লে। মসিগী মহৈ ওইনা নার্কোটিক্সকী কে চাদা ৯০ অমদি কুইনা পন্দুনা লৈরল্লবা সাইবর সিন ইনভেষ্টিগেসন কেসকী চাদা ৯৬ লোইশিনবা ঙমহন্দুনা ক্রিমিনেল জষ্টিস দেলিভরিদা শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎহল্লে।

১৫. ভার্টিয়া ন্যাই সংহিতা, ২০২৩, ভার্টিয়া নাগরিক সুরক্ষা সমহিতা, ২০২৩ অমদি ভার্টিয়া শাক্ষ্য অধিনিয়ম, ২০২৩ অহুম অসি মণিপুরী লোনদা হন্দোকপা লোইরে অমসুং মসিগী মণিপুরী ভর্জর্ন অসি ওথোরিটেটিভ টেক্স (সেন্ত্রেল লো) এক্ট, ১৯৭৩গী মখাদা প্রসিদেন্টনা ওথোরাইজ তৌরে।

১৬. ষ্টেট অসিদা জষ্টিস দেলিভরি সিষ্টেম হেন্না ফগৎহন্নবা মখল–মখা খোঙথাংশিং লৌখৎলে। এনআইএ কেসশিংগীদমক স্পিসিএল মণিপুর কোর্ট লিংখৎলে। দাইরেক্তোরেট ওফ প্রোসিক্যুসন লিংখৎলে অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ প্রোসিক্যুসনগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসশিংসু মথৌ তৌহল্লে। কক্‌চীংদা শাবা দিষ্ট্রিক্ট এণ্ড সেসন কোর্ট শঙ্গাখ্রে অমদি জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ওফ ফার্ষ্ট ক্লাসকী কোর্টসু মথৌ তৌহনখ্রে। চান্দেলদা দিষ্ট্রিক্ট এণ্ড সেসন্স কোর্টসু লিংখৎলে অদুগা চুরাচান্দপুরগীনা শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে। মাওদা নৌনা শাবা জুদিসিএল মাজিষ্ট্রেট ওফ ফার্ষ্ট ক্লাস কোর্ট মথৌ তৌবা হৌখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেলদা জুদিসিএল ওফিসারশিংগী রেসিদেন্সিএল ক্বার্টরশিং শানবা উরেপ–উয়ুং তমখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টতা দিষ্ট্রিক্ট এণ্ড সেসন্স কোর্ট কমপ্লেক্স অমসুং মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ওফিস শাননবা লম পীরে।

**হেল্‌ঠকিয়ার**

১৭. কুমজা ২০২৫–২৬কী মনুংদা, মণিপুর হেল্‌ঠ সার্ভিসেস রুলস অমসুং মণিপুর সিভিল সার্ভিসেস (লিভ) রুলশিং এমেন্দ তৌবনা শীংথানিংঙাই ওইবা পোলিসি রিফোর্মশিং তৌখিবা অসিনা মেদিকেল ট্রেনিং অমদি সার্ভিস ওব্লিগেসন অনীগী মরক্তা বেলেন্স হঞ্জিলহনবা ঙম্লে অমদি গভর্নমেন্ট

স্পোন্সরসিপ অসি সার্ভিসকী কুত্থাংদা রিকু শোয়দনা তৌহল্লে। কাদর মেনেজমেন্টকী থবক রিফাইন তৌরে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, কম্যুনিটি হেল্ট সেন্তরশিং অমদি প্রাইমরি হেল্ট সেন্তরশিংদা লৈরিবা মেনপৱারগী অৱাৎপা এসেসমেন্ট অমসুং রেস্নেলাইজেসন তৌরে। মরুওইনা, চীং অমদি অরাপ্পা (পেরিফরেল এরিয়া) মফমশিংদা লৈবা মী য়াম্না চঙবা ফেসিলিটিশিংদা নর্সশিং অমদি পেরামেদিকশিংগা লোয়ননা নৌনা খল্লবা এমঐচএস ওফিসার থারে।

১৮. চুরাচান্দপুর অমদি থৌবালগী জিএনএম স্কুলশিং, কলেজ ওফ নর্সিং, চুরাচান্দপুর অমসুং কলেজ ওফ নর্সিং থৌবাল ওইনা অপগ্রেদ তৌরে অমদি কুমজা ২০২৫-২৬তগী তন্বা হৌরে। কলেজ ওফ নর্সিং অমা লিংবসি চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজদা পূন্না লৈমিন্নবা অয়াবা পীরে। মহেরোয় ৬৯৭ এমবিবিএস, বিদিএস, নর্সিং অমদি এলাইদ কোর্সশিংদা এলোট তৌরে। অমরোমদা রিমস অমসুং জেনিমস কী পোষ্ট গ্রেজুএট ট্রেনি ২৩৭, দিষ্ট্রিক্ট রেসিদেন্সি প্রোগ্রাম মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা সার্ভিস তৌহল্লে।

১৯. দিষ্ট্রিক্ট ৫ হায়বদি, চান্দেল, জিরিবাম, সেনাপটি, তমেংলোং অমদি উখ্রুলদা সুপর স্পিসিএলিটি অমদি এসোর্দ স্পিসিএলিটি হোস্পিটালশিং শাননবা ইকাইখুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা উরেপ উয়ুং তন্বিখ্রে। সিঐচসি সাইকোট, সিঐচসি নিংথৌখোং অমদি জেনিমসকী পেরামেদিকেল এণ্ড এলাইদ সাইন্সেসকী অনৌবা হোষ্টেলসু শঙ্গাখ্রে। খ্বাইরম্বণ্ড বজার, ইম্ফাল ৱেষ্টতা শাবা ইমরজেন্সি এণ্ড এক্সিদেন্টনা শঙ্গাবিখিবা অসিসু পনবা য়াই। সাসচি, পিএম-দিভাইন, এনঐচএম না ফণ্ড পীথবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংনা অমদি ষ্টেট প্লাননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং উপগ্রেদ তৌগনি, কম্পোজিট হেল্ট ক্লিনিকশিং শাগনি অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংদা ষ্টাফ ক্বাটরশিং পীগনি।

২০. ষ্টেটনা পায়খৎপা হেল্ট কভরেজ প্রোগ্রামশিং থোইদোক হেন্দোক্লা পাক চাউথোকপা ঙল্লে। চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং স্কীমগী মখাদা মীওই ৩৮৬১০ হেন্না নৌনা মিং চল্লে, লুপা কোটি ৫৩ চঙনা লেম্না লাইয়েং মীওই ৪৩৯৮৯দা পীখ্রে মদি হোস্পিটাল ৭৫ এমপেনেল তৌখ্রে। কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট ৪ (মরি) শেল তিংদনা পাঙথোকখ্রে। আয়ুসমান ভারত-প্রধান মন্ত্রি জন আরোগ্য যোজনাগী মখাদা মীওই ৬৩২৫৩ মিং চল্লে, লুপা কোটি ১২৮ হেনবগী শেনফমনা লেম্না মীওই ৯৯৩২৪ লায়েংবা ফংহনখিবা অসিদা হোস্পিটাল ৭১ শরুক য়াখি অমদি কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট ১৪সু কোভর তৌখি।

২১. অঙাং ১০০০ পোকখিবগী মনুংদা ৩তমক শিবগী চাং ওইবা অসিমক নেশ্নেল হেল্ট মিসন ইন্দিকেটরশিংদা শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলে তাকপনি। মসিগী চাং অসিমক ভারতকী ওইনা খ্বাইদগী তাথবা অমনি। অঙাং উনবদা মমা শিবগী ুংসু ১০০০০০ অমদা ৮১ খক্তমক ওইরি। হাই রিস্ক প্রেগনেন্সিশিংদা টার্গেট তৌবা থৌরাং, ''মীরোনবিশিংগী খুদোল'' অসিসু জাতি থাক্তা শকখঙনরে। প্রাইম মিনিষ্টর সুরক্ষা মাত্রিত্ব অভিয়ানগী মখাদা হাই রিস্ক প্রেগনেন্সিশিং মশক খঙদোকপগী চাং চাদা ১.৬ তগী চাদা ৯দা হেনগৎলে। মসিদা কমপ্রিহেন্সিভ এবোর্সন কিয়ারগী খুদোংচাবা ফেসিলিটি ৭৩দা ফংহল্লি। হোস্পিটালশিংগা নক্নবা রেসিদেন্সিএল ফেসিলিটি (বর্ঠ ৱেটিং হোমস) শিং দিষ্ট্রিক্ট ১০দা লৈরিবা অসিদা দেলিভরি ৬৬৩ তৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা, ১০দা মেলরিয়াগী কেস লাক্ত্রে অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ১৫দনা চাইল্ড লেপ্রোসি লৈত্রে। মেন্টেল হেল্ট সার্ভিস পেসেন্ট ৭০০০ পীখ্রে। অনৌবা লেবোরেটোরি মেপিং, মাইওকার্দিএল ইনফার্ক্সন দিটেক্সন সিষ্টেম অমদি দাইগ্নোষ্টিক লেম্না তেস্থঁনবা অসিনা পেসেন্টশিং হোস্পিটাল য়ৌহন্দনা মতম চানা কিয়ার তৌনবগী খুদোংচাবা হেনগৎহল্লি।

২২. আধার লিঙ্ক তৌবা বর্ট রেজিষ্ট্রেসন রুলশিং নোটিফাই তৌখ্রে অমদি রেজিষ্টেহ্নৈ য়ুনিট পূম্নমক নোটিফাই তৌখ্রে অমদি রেজিষ্টেহ্নৈ য়ুনিট পূম্নমক ওনলাইনদা তৌবা য়াহল্লে। ফুদ সেফটিগী থবক হেন্না পাকথেল্লহ্ন চাওথেল্লক্না পায়খৎলে। মসিদা চৎন-কাঙলোনশিং ইলহনবা অমদি কূপ্না য়েংশিনবগী থবকশিং হেনগৎপা অমদি অনৌবা ফুদ বিজিনেস রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী চাং শরুক অনীরোম হেনগৎপা য়াওরি। ষ্টেট পব্লিক হেল্ট লেবোরেটোরি, লম্ফেলদা মাইক্রোবাইওলোজিগী সেক্সন অমা হাংদোক্লে। অমদি ষ্ট্রিট ফুদ ভেন্দরশিং অমসুং ফুদ ওপরেটর ১০০০ রোমদা অহেনবা ট্রেনিংশিং পীখ্রে।

২৩. নেশ্নেল প্রোগ্রাম ওন মসকুলোস্কেলেটেল দিসওর্দর্স এণ্ড জেরিয়াট্রিক্স হৌদোক্নুনা দাইরেক্তোরেট ওফ আয়ুসনা মসিগী থবক থৌরম হেন্না পাক চাউথোক্লে। মসিনা কক্চীংদা মোবাইল মেদিকেল য়ুনিট অমা দিপ্লোই তৌবা অমদি আয়ুসগ্রাম থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াওরি। আয়ুস ফেসিলিটিশিংদা আউটপেসেন্টগী চাং শরুক অনীরোম হেনগৎলে। ইন্টিগ্রেটেদ হোস্পিটাল তরেৎ অমদি দিসপেন্সরি মরি শাগৎলি অমদি হেল্ট কেম্প ১০০ হেন্না শিনখ্রে। মীওই ১৫০০০ হেন্না প্রাকৃটিক পরিক্ষণ তৌরি অমদি ষ্টেট অসিনা ইন্টরনেশ্নেল দে ওফ যোগ ২০২৫সু পাঙথোকখি। মায় পাকপশিং অসি য়েংলগা, মণিপুর পূম্বদা মগুণ লৈবা চাং মান্ননা পুম্নমক্না কান্নবা ফংবা হেল্ট কিয়ারগী থবক থৌরমশিং পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্লি হায়বা তাক্লে।

**ফাইনান্স অমদি প্লান্নিং**

২৪. ষ্টেটকী শেল-থুম হান্নী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লি। কুমজা ২০২৩-২৪দা ষ্টেটকী মশাগী রিসোর্স লুপা কোটি ১৪৪৩ ওইরম্বা অদু কুমজা ২০২৪-২৫দা লুপা কোটি ২০৮৭তা হেনগৎখি। মমাঙগী শেনবা চহীগী মান্নবা মতম অসিগা চাংদম্নবদা, চৎলিবা শেনবা চহী অসিদদি ষ্টেট মশাগী টেক্স খোমজিনবগী চাং অসি হেন্না ফগৎলক্লি। কুমজা ২০২৫গী ওক্তোবর ফাওবদা, ষ্টেট মশাগী রিসোর্স কলেক্সন অসি লুপা কোটি ১২৫৪ ওইখি। মসি কুমজা ২০২৪গী ওক্তোবরদদি লুপা কোটি ৬০৪তমক ওইখি। সেলেক্ট এরিয়াশিংদা, তাঙ্কক নাইনা প্রোহিবিসন লৌথোকপনা, এক্সাইজ দ্যুটিগা লোয়ননা রেভিন্যু হেনগৎপা অসিনা, ষ্টেটকী রিসোর্সতা চাউনা হেনগৎলে হায়বা য়াই। পাঙ্গল থোক্লা থবক পাঙথোক্লবা অমদি এদমিনিষ্ট্রেসন ফজনা তৌনবগীদমক সাসচি ২০২৫-২৬কী মখাদা তদুবি, সেনাপতি অমদি জিরিবামদা এক্সাইজ ষ্টেসনশিং শাবগী অয়াবা পীবগা লোয়ননা অনৌবা এক্সাইজ ষ্টেসন অনী কামজোংদা লিংখৎলে।

২৫. চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৬তা ফেসিলিটেসন সেন্তরশিং লিংখৎতুনা জিএসটি এদমিনিষ্ট্রেসন মপাঙ্গল হেনগৎহল্লে। মসিনা অরাপ্পদা লৈবা মফমশিং থেংনরিবা রেজিষ্ট্রেসন, রিটর্ন ফাইলিং অমদি অতৈ খুদোংচাবশিং হন্থহল্লে। এৱেরনেস প্রোগ্রামশিং শীন্দুনা অমসুং দিদিওশিং অমদি দিদক্তরশিংগী অখন্নবা সেসনশিং পাঙথোক্তুনা খুদোংচাদবশিং হন্থহন্দুনা নীংথিনা থবক পাঙথোকপা ঙমহল্লে।

২৬. খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরবসু, শেনবা চহী ২০২৫-২৬, জানুৱারী ফাওবদা রেভিন্যু কল্লেক্সন অসি লুপা কোটি ১৩০২ য়ৌখি। মসি মমাঙগী মতম অসিদা ওইখিবা মতমদগী লুপা কোটি ৫৮ রোম হেনগৎলবনি। অখন্নবা দ্রাইভশিং চখদুনা জিএসটি রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অসি ১৪৩৩৯ দা হেনগৎলে। অমরোমদা ইনফোর্সমেন্ট মেজরশিং লৌখৎতুনা ফ্রোদুলেন্ট কেস ১৪৯ দিটেক্ত তৌরে অমদি লুপা কোটি ৮৮.৯৫গী শেনফম ওইবা ফেক ইনকম টেক্স ক্রেদিট ব্লোক তৌখ্রে। চূনবা মেকানিজম শীজিন্নদুনা লুপা কোটি ২১.১২ লৌখৎপা ঙম্বা অসিনা ফিস্কেল দিসিপ্লিন হেন্না লৈহল্লে।

২৭. ষ্টেট গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়িশিং অমদি পেন্সনরশিংগী দিয়ারনেস এল্লাউৱেন্স অমদি দিয়ারনেস রিলিফ চাদা ৩৯দগী চাদা ৪২দা হেনগৎহনবা অসিনা এমপ্লোয়ি ৭৬০০০ অমদি পেন্সনর ৬০০০০ কান্নবা পীরে। ষ্টেট গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়িশিংদা য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কীম (ইউপিএস) ২০২৬কী এপ্রিল ১দগী চৎনবা হৌরগনি। মসিনা ষ্টেট গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়ি ৫৩০০০ রোমদা কান্নবা ফংহল্লগনি। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমি দা

কুমজা ২০১৫দগী ৭শুবা পে রিভিজন চৎনখি। অমদি অর্ব্বান লোকেল বোদিশিং অমদি ওটোনোমস বোদি অমসুং এনটাইটি ২৩দা মসিগা মান্নবা পে রিভিজনশিং চৎনরি।

২৮. ষ্টেট গভর্নমেন্টকী রিসিট অমদি দিপোজিট পূম্নমক ই-গ্রাস অৱসুং সাইবর ট্রেজরিগী মখাদা দিজিটাইজ তৌরের অমদি এসএনএ – স্পার্শ সেন্ত্রেল ফণ্ডশিং বেনিফিসরি অমদি এজেন্সিশিংদা দাইরেক্ট ট্রান্সফর্দ তৌরে।

২৯. ‘‘সিএমআইএস এমপ্লোয়ি কোর্নর’’ হায়বা ৱেব অমদি মোবাইল বেজ এপ্লিকেসন হৌদোক্তুনা ষ্টেট গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়িশিংনা মশাগী পে স্লীপ, সেলরি ষ্টেটমেন্ট অমসি সার্ভিস হিষ্টরি একসেস তৌবা ঙহল্লে।

৩০. মেনুএল পেন্সন প্রোসেসতা লৈরিবা থেযথবগী ৱাফমশিং লৈহন্দনবা ওনলাইন পেন্সন প্রোসেসিং সিষ্টেম হৌদোক্লে। এন্দ-টু-এন্দ দিজিটেল সবমিসন অমদি পেন্সন পেপরশিং প্রোসেস তৌদুনা এমপ্লোয়ি অমনা মহাক্কী রিটায়রমেন্ট নুমিৎ অদুমক্তদা পেন্সন বেনিফিটশিং ফংহনবা ঙমগনি। সিষ্টেম অসি দিপার্টমেন্ট-ৱাইজ দা মথং মনাও চৎনবা হৌগনি অমদি ২০২৬কি ফেব্রুৱারী ১দগী মপূং ফানা চৎনবা হৌগনি।

৩১. ঐহাক্না সরকার অসিনা ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ হেনগৎনবা সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট লৈহন্নবা অমদি ইনক্লুসিভ গ্রোথ পুরক্নবা হোৎনরি। মণিপুর ষ্টার্ট-অপ স্কীম অমদি সিএম ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ সপ্পোর্ট স্কীমগী খুথাংদা, হৌজিক হৌজিক লৈরিবা অমদি অনৌবা বিজিনেসশিংদা লোন, সবসিদি অমদি স্কীল দিভেলপমেন্ট পীরি। ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগী সিএমইএসএস কী মখাদা বেনিফিসরি ৪৫১দা এগ্রিগেট প্রোজেক্ট কোষ্ট ওইনা লুপা কোটি ২.১১ মতেং পীখ্রে। মসিদা লোনগী শেনফম লুপা কোটি ১.৪৮ অমদি সবসিদিগী লুপা কোটি ৬২.৬১ গী শেনফম য়াওরি। অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ষ্টার্টঅপ ৭না আইদিপি ৩৮২দা থবক পীরি।

৩২. পিএমকেএসৱাই ৱাটরসেদ দিভেলপমেন্ট কম্পোনেন্ট ২.০গী মখাদা, চহীসিদা ফার্ম পোণ্ড ১৪, রুফ টোপ হার্ভেষ্টিং ষ্ট্রকচর ২১, দগ আউট পোণ্ড ২০, ভেজিটেটিভ এণ্ড ইঞ্জিনিয়রিং ষ্ট্রকচর ৪৬ শাবা অমসুং হেক্তর ২৬৬তা হোর্টিকলচর প্লান্টেসন তৌবা লোইরে। মসিগা লোয়ননা প্রদক্সন সিষ্টেম অমসুং মাইক্রো এন্টরপ্রাইজগী মখাদা এন্টরপ্রাইজ ১৭০দা কান্নবা ফংহনখ্রে। ৱাটরসেদ কম্পেন অমদি স্বচ্চতা হি সেৱাগী খুথাংদা কম্মুনিটি এনগেজমেন্ট চাং হেনগৎলে।

৩৩. এনইএসআইদিএস অমদি এনএলসিপিআর গী মখাদা, লুপা াকোটি ১৭৯২ চঙবা প্রোজেক্ট ১৬৭ লোইরে। মসিদা লন্বী, অনা-লায়েং অমদি মহৈ-

মশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ৱাটর সপ্লাই য়াওরি। টুরিজম ফোকস রোদশিং, স্কুলশিং, পোলো গ্রাউণ্ডশিং অমদি সোলর পৱার প্লান্টকী লুপা কোটি ১৯৮ রোমগী চঙগদবা অনৌবা প্রোজেক্টশিং য়াওরি। অপূনবা শেনফম লুপাকোটি ৫৮ চঙগদবা খুমন লম্পাককী মল্টিপরপজ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমদি সাইনিক স্কুলগী মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শানবা অচৌবশ প্রোজেক্ট অনীসু য়াওরি। হিল এরিয়া দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখা চথুদুনা তমেংলোং অমদি নোনেদা তুং কোইনা কান্নবা পীগদবা লাইভলিহুদ অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি।

৩৪. অহানবগী ওইনা লুপা কোটি ১৫০০ এলোকেট তৌদুনা পিএম-দিভাইন না রিজেনেল দিভেলপমেন্ট গেপ হন্থহনবা, সোসিএল ইনিসিএটিভশিংদা তেংবাং পীবা অমদি নহা অমসুং নুপীশিংদা হিংনবগী মচাকশিং পীরি। মণিপুর ইন্টরনেস্নেল কনভেন্সন সেন্তর, থাঙ-তা চীংজিন, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা লুপা কোটি ১৬৬.৮৯ সেঙ্কসন তৌখ্রে।

৩৫. স্পিসিএল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট না চাউরাক্লা লুপা কোটি ৩৪০০ রোম থাদদুনা সঙাই ইঠনিক পার্ক, ৱাটর এম্যুজমেন্ট পার্ক, য়ুনিটি মোল, ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেলশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা, মণিপুরবু মতেং পীরি। কুমজা ২০২৫-২৬ মনুংদা, লুপা কোটি ১২৮০গী শেনফম ওইবা প্রোজেকশিং এপ্রুভ তৌখি। মসিদা স্পিসিএল পেকেজগী মখাদা লুপা কোটি ৭০০কী শেনফম য়াওরি।

৩৬. নোর্ঠ ইষ্টর্ন কাউন্সিল ফণ্ডিংগী মখাদা, ইজুকেস্নেল, স্পোর্টস অমদি রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং কোভর তৌগদবা লুপা কোটি ১৩০ চঙগদবা অনৌবা প্রোজেক্টশিং সেঙ্কসন তৌরে। অমরোমদা অহেনবা প্রোজেক্টশিংগী ওইনা মখা তানা খন্নরি।

ট্রাইবেল এফিয়ার্স, মাইনোরিটিজ এণ্ড এসদি এণ্ড ওবিসি ৱেলফিয়ার

৩৭. কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৭৫(ৱান) গী মখাদা, তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলি। চুরাচান্দপুগী তোকপা কবুই খুলদা শাবা এক্লব্য মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুল শঙ্গাখ্রে। অমরোমদা ফুংয়ারগী রিহা খুঙ্গংদা লৈবা অমসুং মথৌ তৌহল্লে। অপূনবা শেনফম লুপা কোটি ১৮.৫৪ চঙনা শেমগৎপা উখ্রুলগী তাংখুল হেনমেন্স গেষ্ট হাউস কম এদমিনিষ্ট্রেসন বিল্ডিং, কলচরেল হোল কম মল্টিপরপজ বিল্ডিং ফোর সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট ভিলেজ চিফ এসোসিএসন, স্কীল কম রুরেল

ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ দিভেলপমেন্ট সেন্তর সেনাপতি অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম ট্রেনিং বিল্ডিং ওফ ত্রাইবেল রিসর্হ্চ ইন্সটিট্যুট মণিপুর শঙ্গাখ্রে।

৩৮. পিএম–জনমনগী মখাদা, লুপা কোটি ৬.৬০ চঙগদবা পিভিটিজি এরিয়াগী মনুংদা মল্টিপরপজ সেন্তর ১১ শাগদবগী মনুংদা ৮ শাবা লোইরে, ৩না শাবা লোইগদৌরে।

৩৯. দিএ–জেজিইউএ গী মখাদা, অহেনবা ক্লাসরুম অমদি ষ্টাফ ক্বার্টরশিং শানবশ খৌপুম অমদি এলএম ব্লোকশিংগী আশ্রম স্কুলশিং রিপের তৌনবা ত্রাইবেল মল্টিপরপজ মার্কেট সেন্তর ২ শাবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর থবকশিং লুপা কোটি ১৮.৭০গী অয়াবশ পীরে।

৪০. এসটি পেসেন্ট ৭৩৯দা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট পীনবগী লুপা কোটি ১.৫৫গী শেলগী মতেং পীখ্রে। চীঙগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎনবা অমদি ফেষ্টিভেলশিং পাঙথোক্নবা অমসুং ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ওইবা ত্রাইবেলশিংদা মতেং পীনবা ফণ্ডশিং পীখ্রে।

৪১. জনজাতিয়া গৌরভ ভর্সকী শরুক ওইনা, পিএম–জনমন, দিএ–জেজিইউএ অমদি আদি কর্ম্মযোগী অভিয়াননচিংবা অনৌবা স্কীমশিং নীংথিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্নবা এৱেরনেস কেম্পেন য়াওনা তোঙান তোঙানবা এক্তিভিটিশিং শীল্লি। অহানবা নেস্নেল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ষ্টেট অসিদা হৌদোকখ্রে। ষ্টেট অসিগী ইনাক খুল্লবা ত্রাইবেল হেরিটেজশিং সেলেব্রেট তৌনবা মখা মখাগী থৌরমশিং, হায়বদি ষ্টেট লেভেল কার্নিভেল, ত্রাইবেল লিটরেচর কনক্লেভ, ষ্টেট লেভেল সোর্ট ফিল্ম মেকঅপ অমদি ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন নচিংবা শীনখ্রে।

৪২. ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মখাদা শেনবা চহী ২০২১–২২গী ওইনা ষ্টেট অসিগী এদিসি ৬কী লুপা কোটি ৩৭.২৪ কুমজা ২০২৫গী দিসেম্বরদা সেঙ্কসন তৌখ্রে। এদিসিগী এমপ্লোয়ি ৮২ প্রমোসন পীখ্রে। এদিসিগী রিতাইয় তৌরবা এমপ্লোয়ি ১৪৯৯ পেন্সন ফংহল্লি।

৪৩. ফেরজোলগী থিংপুইকোল, তমেংলোংগী ইম্পা, কামজোংগী চমু, সেনাপতিগী খাংজাং অমদি চান্দেলগী মোলচোম হায়রিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী খ্বাইদগী অরাপ্পা মফমশিং অসিদা হেল্ট সেন্তর ৫ চলাইরি। ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংদা অহেনবশ মিৎয়েং চঙবা হেল্ট কেম্পশিং কাংপোকপী অমদি নোনেগী অরাপ্পা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

৪৪. লুপা কোটি ৩৯ রোমগী শেনফম চঙনা এসটি মহৈরোয় ৩৬.১৯১দা এসটি পোষ্ট মেট্রিক অমদি প্রি মেট্রিক স্কোলার্সিপ পীরি।

৪৫. লুপা কোটি ২৬রোমগী শেনফম চঙনা ওবিসি অমদি এসসি মহৈরোয় ৩৫৫৩৭ পোষ্ট মেট্রিক অমদি প্রি মেট্রিক স্কোলার্সিপ ফংহল্লি।

৪৬. পিএম য়াসাভী অমদি পিএম–এজয়গী মখাদা, লুপা কোটি ১৪ চঙনা ওবিসি হোষ্টেল ২ অমদি এসসি হোষ্টেল ২ শাবা লোইরে। পিএম–অজয়গী মখাদা, খুঙ্গং ৪ আদর্স গ্রাম ওইনা লাউথোক্লে অমদি কম্যুনিটি হোল–কম–মার্কেট সেদ ৩ শাগৎলি।

৪৭. ইকোনোমিক এণ্ড স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা, আইদিপি ৬০৯ য়াওনা বেনিফিসরি ১০১৮ দা তোঙান তোঙানবা তেংবাংশিং অমদি স্কীল ত্রেনিংশিং পীখ্রে।

৪৮. পিএমজেভিকে গী মখাদা, লুপা কোটি ৭৩ চঙনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ২৯ লোইরে অমদি শঙ্গাখ্রে। ষ্টেট এনুএল প্লান ২০২৫–২৬কী মখাদা, লুপা কোটি ৫৩৪ চঙগদবা প্রোজেক্ট ৮৭কি প্রপোজেল মিনিষ্ট্রিদা সবমিট তৌখ্রে।

৪৯. পিএম–বিকাস কী মখাদা, এনুএল প্লান ২০২৫–২৬কী মখাদা লুপা কোটি ২৯৮ চঙগদবা প্রোজেক্ট ২৪কী প্রপোজেল সবমিট তৌখ্রে।

**ফুদ সেক্যুরিটি**

৫০. ইকাইখুন্নজরিবা মেম্বরশিং, ২০২৩গী জানুৱারীদগী ২০২৮কী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী বেনিফিসরি পুন্নমক্তা লেম্না চেঙ পীরি। ষ্টেট অসিদা ফের প্রাইস সোপ ওটোমেসন তৌবা চাদা ১০০ য়ৌরে অমদি ২০২৫ ওক্তোবরদগী হৌরগা ই–কেৱাইসি গা লোয়ননা রাসন কার্দ আধার সিদিং চাদা ১০০ তৌরে।

৫১. লুপা কোটি ১৪ চঙবা, মণিপুরদর দিসেন্ত্রেলাইজ প্রোক্যোরমেন্ট তৌনবগীদমক্তা মেট্রিক টন ৪গী কেপাসিটি লৈবা রাইজ মিল শাবা লোইগদৌরে।

৫২. উজ্বালা ১.০ অমদি উজ্বালা ২.০গী মখাদা বেনিফিসরি ২২৪৯৯৯ কান্নবা ফংহনখ্রে।

**এজুকেসন**

৫৩. কলেজ ফগৎহনসি মিশনগী মখাদা কলেজ ৮গী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবক লোইখ্রে। মসিগী মনুংদা ৫দি শঙ্গাখ্রে। এনইসি গী মখাদা উখ্রুলগী পেটিগ্রিউ কলেজদা নোদেল লাইব্রেরি বিল্ডিং শাবগী থবকশু লুপা কোটি ২.২৭ চঙনা শাবা লোইরে। থৌবাল জিল্লাগী হৈরোক্তা অনৌবা গভর্নমেন্ট ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজ শাবগী থবকসু লোইরে।

৫৪. চিফ মিনিষ্টর কলেজ ষ্টুদেন্টস রিহেবিলিটেসন স্কীমগী মখাদা আইদিপি গী মহৈরোই ৪৪৭দা মহৈরোই অমমম্দা লুপা ১০০০০ গী স্কোলার্সিপ ফংহনখ্রে। একাদেমিক চহী ২০২৫–২৬ কী ওইনা স্কোলার্সিপ ফংহন্নবগী আইদিপি গী মহৈরোয় ৭৫৪শু মশক খঙদোক্লে। চিফ মিনিষ্টর্স এৱার্দ ফোর ইজুকেস্নেল এক্সেলেন্স কী মখাদা ষ্টেন্দর্দ কলেজ, ৱাইখোম মনি গর্লস কলেজ অমদি মণিপুর কলেজদা মথংশিংনা লুপা লাখ ৫, লাখ ৩ অমদি লাখ ২ গী শেন্থুং পীখ্রে। চিফ মিনিষ্টর্স সিভিল সার্ভিসেস কোচিং স্কীমগী মখাদা অপূনবা শেনফম লুপা কোটি  ২.৮০ চঙনা সিভিল সার্ভিসেস এসপিরেন্টস ২০০দা লেম্না ফিজিকেল কোচিং ফংহনখ্রে।

৫৫. এনইপি – ২০২০ গী পান্দমশিং অদুবু ফংননবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা অমদি সোফ্ট স্কীল হেনগৎহনবগী থবক কলেজ ৫দা পায়খৎলে। একাদেমিক সেসন ২০২৫–২৬ তগী হৌদুনা মণিপুরগী গভর্নমেন্ট কলেজশিংদা এনইপি – ২০২০ গী মখাদা ফোর ইয়ার অন্দরগ্রেজুএট প্রোগ্রাম হৌদোক্লে। এমপিএসসি গী খুত্থাংদা গভর্নমেন্ট কলেজশিংদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার গী পোষ্ট ৪৩০ লৌনবগী থবক পায়খৎলে।

৫৬. কুমজা ২০১৬ তা লিংখিবা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি গী অহানবা কোনভোকেসন পাঙথোকখ্রে অমদি কুমজা ২০২৫–২৬ তগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রিম ৮দা পিঐচদি প্রোগ্রামসু হৌদোক্লে। মসিগা মান্ননা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী অহানবা কোনভোকেসনসু পাঙথোকখ্রে। অমদি কুমজা ২০২৫–২৬ তা ফোল্কলোরিস্তিক্স, জিওলোজি, হিণ্ডি, দিফেন্স অমদি ষ্ট্রেটেজিক ষ্টদিজদা পোষ্ট গ্রেজুএট প্রোগ্রাম হৌদোক্লে। য়ুনিভর্সিটি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী পিএম–দিভাইন প্রোজেক্টশিংসু অথুবদা লোইশিল্লগনি। মল্টিপল এন্ত্রি অমদি মল্টিপল এজিট পোলিসি কুমজা ২০২৫দা হৌদোক্লে। রিসর্ছ এক্সচেঞ্জদা তেংবাং পীননবা মপান লৈবাক্কী য়ুনিভর্সিটিশিংগা এমওইউশিংগী খুৎয়েক পীনখ্রে।

৫৭. কুমজা ২০২৫গী মনুংদা অহেনবা ক্লাসরুমশিং, তোইলেটশিং, অনৌবা বিল্ডিংশিং, মেজর রিপিয়রিং, লাইব্রেরিশিং, সাইন লেবোরেটোরিশিং অমদি আর্ট এণ্ড ক্রাফটস কী কাশিং য়াওনা সিভিল ৱার্ক ৬৫৮ শেমগৎপগী থবকশিং লোইশিল্লে। হোষ্টেল ৪৪ অমসুং হোষ্টেল ৬ মথংশিংনা দিএ–জেজিইউএ অমদি পিএম–জনমন গী মখাদা অয়াবা পীরে। স্কুলশিং দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, সেকেণ্ডরি স্কুল ২৫০দা দেস্কটোপশিং, লেপটোপশিং, প্রিন্টর, প্রোজেক্টর অমদি ইন্টরেক্তিভ স্মার্ট বোর্দশিং পীখ্রে। স্কুল ৩০০দা সোলর পৱার ওফ গ্রিদ সিষ্টেমশিং য়েন্থোকখ্রে।

৫৮. ইহান হান্না পায়খৎপা থবক অমা ওইনা, গভর্নমেন্ট স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংগীদমক মাউন্ট এভেরেষ্ট বেজ কেম্প ট্রেক অমা পাঙথোকখ্রে। গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা রানি লক্ষ্মীবাই আত্মা রক্ষা প্রসিক্ষণ পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা নেস্নেল চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াবদা গোল্ড মেদল ৩, সিল্ভর মেদল ১ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংখি। ঐখোয়গী মহৈরোইশিংনা নেস্নেল লেভেল ফোল্ক দান্স কম্পিটিসন অমদি অন্দর-১৫ কেটাগোরিগী নেস্নেল লেভেল টাইক্বোন্দো কম্পিটিসনদা শরুক য়াখি।

৫৯. প্রাইমরি সেক্সন য়াওরবা স্কুলশিংগা পূল্লগা আঙ্গনৱাদি সেন্তর ১১৬০২গী মেপ্পিংগী থবক লোইশিনখ্রে। ইহান হানবা ওইনা গভর্নমেন্ট অমদি এদেদ সেকেণ্ডরি অমসুং হায়র সেকেণ্ডরি স্কুলশিংদা ভোকেসনেল ইজুকেসন স্কীম হৌদোক্লে। 'এক পেড় মা কে নাম' ২.০ গী মনুংদা ষ্টেট শিন থুংনা চাওরাক্লা উ-চারা ২০২৯৪৪ থাখি।

৬০. ২০২৫তা গভর্নমেন্ট সেকেণ্ডদসির স্কুলনা পোজিসন হোল্ডর ১০ অমদি সবজেক তোপ্পা ১০না কাউন্সিল ওপ হায়র সেকেণ্ডরিদা পুথোকখি।

৬১. ফাউন্দেসনগী ষ্টেজ, আঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং থা তরুক্কী প্রি স্কুল ইজুকেসনগী সার্টিফিকেৎ কোর্স অমদি 'নো মণিপুর ভোলুম - ৱান' কৌবা জেনেরেল নোলেজগী লাইরিক অসি সবজেক এরিয়া ৭তা শেপ্লে।

৬২. মোইরাং অমদি চান্দেলগী দাইট সেন্তরশিং অসি সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সতা ওনখৎলে। এসসিইআরটি হেদ ওফিসকী সেমিনার হোল, পিএম ইভিদ্যা অমদি দিক্ষা প্রোগ্রামগী ই কন্টেন্ট রেকোর্দিং তৌনবা ষ্টুদিও অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দাইট বিল্ডিং শেন্বা লোইরে।

**পৱার সেক্তর**

৬৩. ইলেক্ট্রিসিটি দিষ্ট্রিব্যুসন ইন্ফ্রাষ্ট্রকচর মোর্দনাইজেসন তৌনবা খোঙথাং অমা ওইনা, স্মার্ট ইলেক্ট্রিসিটি মিটরশিং ইম্ফাল গী মরুওইবা মফমশিংদা পাল্লে অমদি কঞ্জুমরশিংনা তশেংনা শীজিন্নরিবা মৈ অদুগী অদুখক্তদা স্মার্ট ইলেক্ট্রিসিটি মিটরশিং পাল্লে অমরোমদা লোদ মেনেজমেন্ট অমদি ওপরেস্নেল ইনসাইটশিংগী উটিলিটি গেনশিংদা ফগৎহল্লে।

৬৪. সিষ্টেম রিলাইএবিলিটি ফগৎহন্নবা, মৈ মাঙবা হন্থহনবা অমদি মতমগা চুনরবা মিটরীং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং থমদুনা ষ্টেট শিন থুংনা দিষ্ট্রিব্যুসন নেটৱার্ক ফগৎহনবদা মিৎষঞাং থমদুনা রিভেম্প দিষ্ট্রিব্যুসন সেকতর স্কীমগী মখাদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতমগা চুনহনবদা অমদি স্মার্ট টেক্নোলেজি শিংদা খুমাং চাওশিল্লে।

৬৫. মেরিট ওর্দর সিস্পেটস অমদি ষ্ট্রেটেজিক পৱার প্রোক্যোরমেন্ট গী খুত্থাংদা লুপা কোতি ৩০গী মথক্তা শীংথানিংঙাই ওইনা কোষ্ট সেভিংসদা কান্নবা ফংখি। নাকল অমরোমদা, চহী মরি অসিদা এগ্রিগেটেদ টেক্নিকেল অমদি কম্মরসিএল লোসশিংদা তপ্না তপ্না হন্থরকলি।

৬৬. নোর্ঠ ইষ্টর্ন রিজন পৱার সিষ্টেম ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্টকী মখাদা গম্ফাইজোলদা ১৩২/৩৩ কেভি সবষ্টেসন অমদি লম্ফেল অমসুং তাকয়েলদা ৩৩/১১ কেভি সবষ্টেসনশিং শাবা লোইশিল্লে। সাচিগী মখাদা ত্রান্সমিসন লাইনশিং মপাঙ্গল কনহন্নবা অমদি সবষ্টেসন শেমগৎননা কামজোংদা ১৩২/৩৩ কেভি সবষ্টেসন শেমগৎনবা প্রোজেক্ট ৪গী অয়াবা পীরে।

৬৭. চহী অসিগী মনুংদা থৌবাল মল্টিপরপজ প্রোজেক্ট রিজরভর, মণিপুরদা মেগাৱাট ৫ ফ্লোটি সোলার ফোটোভোলটেক পৱার প্লান্ট লোইশিন্নবগী পান্দম থল্লি। পিএম-কুশুমগী মখাদা সোলর ৱাটর পম্প ৭২ খিল্লে অমদি অহেনবা সোলর পম্প ১০২ লৈননবা ওর্দর পীখ্রে।

**এগ্রিকলচর এণ্ড এলাইদ এক্তিভিটিজ এণ্ড নেচরেল রিসোর্সেস**

৬৮. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ষ্টেট অসিনা ইরিগেসন কভরেজ ফগৎহনবা, ক্রোপ দাইভরসিফিকেসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা, মেকানাইজেসন, দিজিটেল গভর্নান্স অমদি লৌমীগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক এগ্রিকলচরেল দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং নীংথিনা পায়খৎপদা শিংথানিংঙাই ওইনা মায় পাকপশিং উবা ফংখি।

৬৯. ওর্গানিক চাকহাও য়োকখৎপদা মশক থোকপা শীংথাবা য়াবা ৱারী ওইরে। ইহান হানবা ওইনা অঙৌবা চাকহাও চেঙ মেত্রিক টন ২০ জপানদা থাখিনবা এমওইউ গী খূৎয়েক পীনখ্রে। চাকহাওবু এগমার্ককী অহানবা ওইনা সার্টিফিকেসন ফংদুনা শীংথানিংঙাই ওইনা মাইলষ্টোন অমসু থল্লে।

৭০. কুমজা ২০২৫দা নেস্নেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিং হৌদোকপা হেক্তর লীশিং ৪০০০ হেন্না থবক পায়খৎপা ঙমখি। নেচরেল ফার্মিং পোর্টেল দা মিং চল্লবা লৌমী ৪৭৭৮নর ক্লষ্টর ৬৫ রোমগী হেক্তর ২২৭৫ বু শেম্বা ঙমখি। লৌমীশিংদা শেলগী মতেং একর অমদা লুপা লীশিং ৪০০০ গী চাংদা চহিদা পীদুনা মতেং পাংলি লোয়ননা এক্সটেন্সিভ ট্রেনিং অমদি এৱেরনেস প্রোগ্রামশিং পীদুনা পোখোক ফগৎহনবা অমদি কেমিকেল ফ্রি এগ্রিকলচর ওইহন্নবা হোৎনরি।

৭১. কুমজা ২০২৫–২৬ দা ওইল পাল্ম দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা হেক্তর ২৭০০ থানবগী এমওইউ সাইন তৌনখ্রে। অমদি লম হেক্তর ১২০০ হেন্না খন্দোক্তুনা, হেক্তর ৪০২দা প্লান্টেসনগী থবক লোইরে।

৭২. দিজিটেল এগ্রিকলচর মিসনগী থবক অমা ওইনা দিজিটেল ক্রোপ সর্ভে অসিনা রবি ২০২৫–২৬ ওইনা খুঙ্গং ৬০৪ কোনশিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে।

৭৩. স্প্রিংক্লর ৪১০৪ পানখৎনবা দিবিটিগী খুথাংদা স্মোল অমদি মার্জিনেল ফামর ৭০০৮দা মতেং পাংদুনা পিএমকেএসৱাই–পিদিএমসি অসি মায় পাক্লা পায়খৎলে। ৱাটর হার্ভেষ্টিং অমদি কনভেয়েন্স ষ্ট্রকচরদগী অহেনবা ফার্মর ২৯০৪সু কান্নবা ফংহনখ্রে।

৭৪. এনএফএসএমগী মখাদা ফার্মর ৫৮৮৬তা কান্নবা ফংহনখ্রে। শেনবা চহী ২০২৫–২৬তা, প্রোক্যোরমেন্ট এণ্ড দিসত্রিব্যুসন ওফ সিদস প্রোগ্রামগী মখাদা, পেদী মেট্রিক টন ৪০০, উরদ মেট্রিক টন ২৪, সোয়াবিন সিদ মেট্রিক টন ৬৬ অসি ফার্মরশিংনা খারিফ ২০২৫ ওইনা ফংহনখ্রে। রবি অমদি প্রি–খরিফ ২০২৫–২৬ ওইনা, মষ্টর্দ মেট্রিক টন ৩৩, ফিল্ড পি মরূ মেট্রিক টন ৬৮ অমদি লেন্টিল সিদ মেট্রিক টন ৮ পীথখ্রে। রাজ্য অসি ফার্মরশিংদা মতম চানা অমদি মতিক চানা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং ফংহন্নবা হোৎনখ্রে।

৭৫. মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিভেলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগী মখাদা, ফ্রুট অমদি ভেজিটেবল কল্টিভেসন, প্রোটেক্তেদ কল্টিভেসন, ৱাটর হার্ভেষ্টিং, ওর্গানিক ইনপুটশিং, পোলিলিনেসন সপ্পোর্ট, অমসুং পোষ্ট হার্ভেষ্ট মেনেজমেন্টকী ওইনা লুপা কোটি ১৫ হেনবগী শেনফম শীজিন্নখ্রে।

৭৬. দি মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভেলপমেন্ট ফোর নোর্ঠ ইষ্টর্ন রিজন প্রোগঅম অসিনা মণিপুরগী ওর্গানিক সেক্টা অসি কোনশিন্দুনা সার্টিফিকেসন, ফার্মর প্রোদ্যুসর কম্পনিশিং মপাঙ্গল হাপ্নবা, অমসুং দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেস্নেল মার্কেশিংদা মরুওইবা ওর্গানিক কম্মোদিটিশিং ফংহন্নবা হেক্তর ১৭৫০০ কোনশিল্লে।

৭৭. চহী অসিদা মাইক্রো ইরিগেসন্না কোনশিনবা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চায়ি যোজনাগী মখাদা পূন্না লম হেক্তর ৮৩০ অসি কোনশিল্লে। মতম চানা এসেসমেন্ট তৌবা অমদি ফার্মর আউটরিছ তৌবা অসিনা রিস্ক প্রোটেক্সন অসি প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা যোজনাগী মখানা পাকথোক চাওথোক্লবা থবক লৌখৎলি। কোল্ড ষ্টোরেজ অমদি প্রি–কুলিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট সপ্পোর্ট অমদি এনইসিগী ফণ্ডগী

মতেংগা লোননা চীং অমদি বোর্দর এরিয়াদা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং পায়খৎহন্দুনা দাইভরসিফাইদ লাইভলিহুদ প্রমোট তৌনবা অমদি সিফটিং কল্টিভেসন হন্থহন্নবা হোৎনরি।

৭৮. ২০২৫-২৬গী মনুংদা, নরানশৈনা-বিষ্ণুপুর, মকুইলোংদি-সেনাপতি, উখ্রুলগী লুংহার অমদি পাউরৈদা অমসুং জিরিবামদা মেট্রিক টন ৫গী কোল্ড ষ্টোরেজ অমদি মেট্রিক টন ৫গী প্রি কুলিং চেম্বরশিং শারে।

৭৯. ২১শুবা লাইভষ্টোক সেন্সস, ২০২৪ লোইশিনখ্রে। মপুং হুঞ্জিনবা অমদি অথাপ্পা মফমশিংদা শা-ষণশিং মশা-মউ ফনা থম্বগী থবক টোল ফ্রি কোল সার্ভিস সেন্তরনা তেংবাংবা মোবাইল ভেটিরিনরি য়ুনিট ৩৩গী খুত্থাংদা শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎহল্লে। দিজিজ ইনভেষ্টিগেসন লেবোরেটরিগী কেপাসিটিসু ব্লদ এনালাইজর অমদি বাইওকেমিকেল টেষ্ট ফেসিলিটিশিং থমদুনা মপাঙ্গল কনখৎহল্লে।

৮০. মণিপুরী পোনি ব্রিদ কর্জব তৌনবা অহেনবা মিৎয়েং চঙবা খোঙথাংশিং লৌখৎলে। লুপা লাখ ৩০গী ফাইনান্সিএ ইন্সেন্টিভশিং পোনি ওনর ৮৬তা পীখ্রে, মসিদা পোনি ১১৫১ কোভর তৌরি। মসিগী মথক্তা পোনি রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম সোফৱায়র অমা দিভেলপ তৌরি। পোনি খুদিংমক দিজিটেল রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা আরএফআইদি মাইক্রোচিপ বেজ আইদেন্টিফিকেসন শীজিন্নরি। মসিনা পোনিশিং লোং টর্ম কনজরভেসন অমদি মোনিটরিং তৌবদা মতেং ওইরগনি।

৮১. শেন্থোক লন্বীগা মরী লৈনবা মরুওইবা শা-ষণশিংগী লাইনাশিংগী ওইনা চাং নাইনা ভেকসিনেসন প্রোগ্রাম তিকা থাবগী থবকশিং পায়খৎপগী মথক্তা এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম মপাঙ্গল কনখৎহনখ্রে।

৮২. শা-ষণ লোইরিবশিংদা লাইভষ্টোক ইন্সুরেন্স স্কীমনা রিস্ক কেভরেজ পীরি। ইকুই-কুইদ্রিঙৈদা অফ্রিকান স্বাইন ফ্লু শন্দোরকখিবা অদুদা কন্ট্রোল অমদি কন্টেনমেন্ট তৌবগী থবকশিং পায়খৎখি।

৮৩. প্রধান মন্ত্রি মৎশ্য সম্পাদা যোজনাগী মখাদা, ফ্রেসৱাটর ফিন ফিস হেটচরিশিং, রিয়ারিং পোণ্ডশিং, গ্রো আউট পোণ্ডশিং, বাইওফ্লোক কলচর সিষ্টেমনচিংবা শেম-শাবদা ফিস ফার্মরশিংদা কান্নবা কয়া পীরি।

৮৪. লোক্তাক লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা, তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রকচরশিং শারে অমদি ইক্বিপমেন্টশিং য়েন্থোকখ্রে। ফিস রেঞ্চিংগী প্রোগ্রামশিং শীনখি। এনএফদিবি গী মখাদা ষ্টেট অসিগী অতাঙবা ঙা মখলশিং – মরু কোকফম য়ুনিট ১০ শাবগী থবক চৎথরি। 'ৱান টাইম গ্রান্ট ওপ রুপিজ ৩.০০ লাখ অন্দর এনএফদিবি – মার্গদরশীখা এক্সন প্লান' গী মখাদা ফিসরিজ

কোওপরেটিভ সোসাইটি ১১দা লুপা লাখ ২২ থাদোকখ্রে অমদি মসিগী মনুংদা লুপা লাখ ৬ য়েন্থোকখ্রে।

৮৫. গ্রুপ এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্স স্কীমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা ফার্মর ৪৯৪২ মিং চল্লে। কিশান ক্রেদিট কার্দকি মখাদা ফিস ফার্মর ৫১৩না বেঙ্ককি খুত্থাংদা লুপা কোটি ৬.৩০ ফংখ্রে।

৮৬. নেস্নেল প্লান ফোর কনজরভেসন ওফ এক্কাটিক ইকোসিষ্টেমগী মখাদা লুপা ১৪৫ রোম চঙবা ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লান ওফ লোক্তাক লেক অসি ভারত সরকারনা অয়াবা পীরবা চহী ৫গী প্রোজেক্ট অমনি। 'রিওর্গনাইজেসন ওফ লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি' না প্রোজেক্ট অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী খোঙথাং পায়খৎলি।

৮৭. National Rover conservation Plan গী মখাদা Rejuvenation and Conservation of Nambul River of Manipur মনুং ফানা লোইশিনবা ঙমখ্রে । Rejuvenation and Conservation of Imphal River 2005 তা হৌখি । হৌজিক ফাওবদা 500 meters কি ওইবা Eco-Embankment Zone ওইব শেমগৎ শাগৎপা, হান্না লৈরমবা উনা শারমবা 43 crematoria শেমজিনবা, 600 square meter গী Iron netting along vulnerable solid waste dumping side অমদি 199 meter গী slope Projection work লোইশিনবা ঙমখ্রে ।

৮৮. Environment Planning অমদি Management of Wetlands and Water bodies হোৎনজমন মখাদা 10 water bodies শেমজিন শাগিনবগা লোয়ন্না 71 wetlands delineated তৌখ্রে অমদি 3 wetlands না demarcated তৌখ্রে। State শিনবা থুংনা 846 springs শিনবা থুংনা শেমখ্রে । College শিনবা থুংনা Green Auditing অমদি Environment Education Programme গীদমও Green Education Programme launch তৌখ্রে ।।

৮৯. Manipur State Environment Data Centre inaugurate তৌখ্রে । "Indian Himalayan Region climate change Conclave, 2025" Organise তৌখ্রে । District Level দা Climate Change Vulnerability and Risk Assessment শৌহশিনবা ঙমখ্রে ।

৯০. ফোরেষ্ট রিসোর্সেস এনালাইসিস অমদি মোনিটরিং সিষ্টেম অসি রিএল টাইম মোনিটরিং অমদি ফোষ্টেকী অহোংবা অসি রাজ্যসিদা খঙবা ঙম্নবা মথৌ তৌহল্লে।

৯১. কৈবুল লমজাওদা সঙাই কনজরভেসন ব্রিদিং সেন্তর হাংদোক্লে। কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা হুলোক গিবনগী কনজরভেসি ব্রিদিং সেন্তর অমা পায়খৎলে। উখ্রুলদা নোংইন কনজরভেসন ব্রিদিং সেন্তর অমা লোইরে অমদি বিয়ার কনজরভেসন প্রোজেক হৌদোক্লে।

৯২. কোসফোম প্রোগ্রামগী মখাদা উখ্রুলদা স্প্রিং ১৩০ সর্ভে তৌরে, ১৪দনা থবক পায়খৎপা লোইরে। ষ্টেগর্দ ট্রেঞ্চশিং অমদি ফার্ম পোণ্ডশিংসু শেমগৎলে। স্প্রীং রিচার্জ এরিয়া হেক্তর ১১৩সু লৌশিল্লে অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎলে।

৯৩. ভন ধন বিকাস কেন্দ্র অমদি ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ দিভেলপমেন্টকী মখাদা, চহী ২০২৫-২৬কী মনুংদা সেল্প হেল্প গ্রুপ ১৩১গা অমদি বেনিফিসরি ২৪৩৩ লোয়ননা অনৌবা ভিদিভিকে ৯ শেম্লে। হৌজিক ফাওবদা, ভিদিভিকে ২০৯ অসি সেল্প হেল্প গ্রুপ ৩১৭৩ অমদি বেনিফিসরি ৬২৬০৫ য়াওনা মীওই লল্লট্র ৩.১গী পোপুলেসন্দা ইম্পেক পীরি।

৯৪. নেস্নেল ৱাটর ক্বালিটি প্রোগ্রামগী মখাদা, মফম কয়াদা তুরেল ৭, পোণ্ড ১৫ অমদি লেক ৭ অমসুং ট্যুব ৱেল ৬ মোনিটর তৌরে। এমবিয়েন্ট এয়ার ক্বালিটি প্রোগ্রামগী মখাদা এমবিয়ন্ট এয়ার মোটির তৌবা অসি চখৈরি।

**ৱাটর রিসোর্সেস এণ্ড মেনেজমেন্ট**

৯৫. লৌ উবা য়াবা ষ্টেট অসিগী চাওরাক্লা লৌফম হেক্তর লাখ ২.৩০ রোম লৌ উদুনা মণিপুরগী শেল-থুমগী ফিভমদা অচৌবা মতেং পাংলি। ইরিগেসন অমসুং ৱাটর ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্ননবা, ষ্টেট অসিদা অচৌবা প্রোজেক্ট ৮ (নিপান) অমসুং ময়াই ওইরপ তৌবা ইরিগেসন প্রোজেক্টশিং পায়খৎখ্রে।

অদুগা ৭ (তরেৎ) তি লোইশিনখ্রে। লোক্তাক লিফট ইরিগেসন প্রোজেক্টনা হেক্তর ১৫৬৭০ হেনবদা ইথৈ-লৌখোংশিং শেমজিন্দুনা ইরিগেসন পোটেন্সিএল লৈহনবা ঙমখ্রে। অমরোমদনা, হেক্তর ২৮৯৩৭তা ইরিগেসন পোটেন্সিএল শেমগৎতুনা অমসুং এমজিদি ১০ রোমগী চাংদা ঈশিং ফংহন্দুনা থৌবাল মল্টিপরপজ প্রোজেক্টসি লোইশিনবগী থাক য়ৌশিল্লক্লে। অপূনবা শেনফম লুপা কোটি ৩১১ চঙনা, প্রোজক্টে ৫ (মঙা) দাম রিহেবিলিটেসন এণ্ড ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্ট, ফেজ – টু অমসুং ফেজ – থ্রিগী মখাদা থবক পায়খৎতুনা দামশিং ফজনা শেম শাজিন্দুনা মেন্টেন তৌদুনা অমদি বরাজশিং মথৌ তৌহনবা ঙমখ্রে। সিংদা দাম অমসুং ইন্ফাল বরাজ মওং তানা শেমজিন শাজিনবগী থবক মথং চহীগী, হায়বদি ২০২৭কী মার্চ থাদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

৯৬. ফ্লদ মেনেজমেন্ট এণ্ড বোর্দর এরিয়াস প্রোগ্রামগী মখাদা, লুপা কোটি ৪৬০গী অয়াবা ফংদুনা মণিপুরদা থোকপা শাথিবা ঈশিং-ঈচাও অমসুং তুরেল তোর্ব্বানশিং নীংখাইবা তোর্ব্বান চাশিনবদগী ঙাকথোক্লবা পান্দম থমদুনা শূরিবা থবক অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি। মসিনা হেক্তর ২৫০০০ রোমগী মীওই চাওরাক্লা লাখ ২.৫দা হকথেংননা কান্নবা পীরগনি। অহেনবদা, অর্ব্বানগী মফমশিংদা ঈশিং-ঈচাও থোকপাগী চাং হন্থহন্নবা অমসুং সস্তেনেবল দিভেলপমেন্ট পুরক্লনবা লম্ফেলপাৎ ৱাটর বোদি শেমগৎপগী থবকসু চঙশিল্লি।

**ৱাটর সপ্লাই**

৯৭. ওনরেবল মেম্বরশিং, জল জিবন মিসন স্কীমগী মখাদা, ষ্টেট অসিগী মরুওইনা, খুঙ্গংগী য়ূমথোঙ চাওরাক্লা লাখ ১.৭৪ রোমদা তোতি ঈশিংগী কনেক্সন পীদুনা ণশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। হৌজিক ফাওবদা চাদা ৭৭ রোমগী চাংদা চাওরাক্লা লুপা লাখ ৩.৪৮ রোম চঙনা খুঙ্গংগী য়ূমথোঙশিংদা তোতি ঈশিংগী কনেক্সন শমখ্রে, ফংহনখ্রে। অদুগা, লেমহৌরিবা য়ূমথোঙশিংদনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অমসুং স্কীমশিংগী মখাদা তোতি ঈশিংগী কনেক্সন পীননবা হোৎনরি।

৯৮. জাতিগী থাক্তা থক্লবা অরূবা ঈশিং মরুওইনা ইন্ফাল প্লান্নিং এরিয়াদা, তাউন মশীং ২৫দা অমসুং মী তাবা খুঙ্গংগী মফম ১৭৩১দা মণিপুর ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট রিভাই কোষ্টতা চাওরাক্লা লুপা কোটি ৩৩০৩ চঙনা পায়খৎলি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী মতম চৎলিবা চহী অসিগী জুন থা ফাওবা শাংদোক্লে।

৯৯. দি ইন্টিগ্রেটেদ সিৱেজ সিষ্টেম ফোর ইম্ফাল ফেজ – টু অসিসু ইম্ফালগী ৱার্দ ১৬তা সিৱেজ ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অহুম, পম্পীং সিষ্টেম ২১ অমসুং কিলোমিটর ২৭৭কী সিৱর নেটৱার্ক্তা লোয়ননা এষ্টিমেটেদ কোষ্ট লুপা কোটি ১২৫৫ রোমগী শেনফমদা পায়খৎলি। প্রোজেক্ট অসি চাদা ৪০ গী চাং লোইশিনখ্রে।

১০০. মণিপুরগী ওইনা মীয়ামদা থক্লনবা অশেংবা অরূবা থক্লবা ঈশিং ফংহনবগী খোঙচৎ অসিদা লুপা কোটি ৪.৬৭কী ওইবা প্রোজেক্ট ২১ কমিসন তৌদুনা অমসুং লুপা কোটি ৫৪.৮৭কী শেনফম চঙনা স্কীম ১৫ শঙ্গাবা লোইদুনা মাইলষ্টোন অমা থন্বা ঙমখ্রে। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৮দা য়ুনিট ২০গী ৱাটর এটিএমশিং খিনবা ঙমখ্রে। লোয়নন মাইপুননা য়েংশিন্দুনা আরও গী খুথাংদা মীয়ামদা চুমথোক্লবা অফবা ঈশিং পীরি।

**ৱার্ক্স**

১০১. কেন্দ্র সরকারনা লমদম অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবগী খোঙথাঙ কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। অচৌবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংচন্না, মন্ত্রিপুখ্রিদা সিভিল সেক্রেটরিয়েট অমদি কোলকাটাদা মণিপুর ভৱন শংগাখ্রে। অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপা লোইশিন্নবগা লোয়ননা কামজোং অমদি কক্‌চীং দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেসনদা হেন্না চাওখৎলক্লি।

১০২. চীং অমদি তমদা, লম্বী থোং শেম্বগী থবকশিং খুমাঙ চাওশিল্লক্লী। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদা লৈরিবা অচৌবা মরুওইবা লম্বীশিং (আর্টরিয়েল রোদ) সাচিগী মখাদা লুপা কোটি ১৭৪ কাইথদুনা শেমগৎলি। লমদম অসিগী রিমোট অমদি বোর্দর এরিয়াশিং ফগৎহন্নবগী শরুক অমা ওইনা, পূন্না লুপা কোটি ১১৮গী শেন্থং মখাদা, কেনসেং অশাং খুল্লেন ব্রিচজ, কামজোং–বুংপা খুনৌ রোদ অমদি কৈফুনদাই–তৌশেম ষ্টেট হাইৱে শেমগৎলি। গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াদা মণিপুর অর্ব্বান রোদ অমদি দ্রেনেজ অমসুং এসেন্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্টকী মখাদা মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোং চাহল্লেঅমদি লুপা কোটি ১০০৪৫ কাইথদুনা ইন্টর ষ্টেট কন্নেক্তিভিটিদা অকায়বা লৈতনবা মাও–কেদিমা রোদ অসি শেমগৎলি। ইম্ফাল–য়াইরিপোক ষ্টেট হাইৱে অসি নাবার্দ কী শেনথঙ মখাদা লুপা কোটি ৩৭.৫১ চঙনা শেমগৎপা লোইশিনখ্রে। অমদি কক্‌চীংদা লৈরিবা ৱাবগাই–সুগনু লমখাই ষ্টেট হাইৱে অসি শেম্নবা লুপা কোটি ৪৫ সেঙ্কসন তৌরে।

১০৩. লমদম অসিগী নুপীশিংবু হেন্না চাওথোক্নবগী খোঙথাং ওইনা লুপা কোটি ১৪৯ গী শেন্থং মখাদা, লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিং, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, তমেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর, বিষ্ণুপুর অমদি কক্চীং য়াওনা ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেল ১০ শারে। অদুগা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী মখা চত্থবা ওইনা অপূনবা লুপা কোটি ১৬০ চঙনা ফেরজোল, জিরিবাম, কাংপোকপী, তেংনৌপল, কক্চীং, কামজোং, নোনে অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু থবক পায়খৎলি।

## ট্রান্সপোর্ট

১০৪. ঐখোয়গী সরকার অসিনা লমদম অসিগী অপূনবা, চাওখৎ খোঙথাংদা লেপ্তনা লমদম অসিগী মফম খুদিংমক্তা চখোক-চৎশিন তৌনবগী হেন্না খুদোংচাবা অমদি ফগৎহন্নবা হোৎনরি।

১০৫. খুমন লম্পাকতা লৈরিবা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস অসি নৌনা চলাইহনবগা লোয়ননা ইন্টর ষ্টেট বসশিং মফম অসি খক্তদগী চৎনহন্দুনা ত্রাফিক হেন্না খুদোংচাবা অমদি কাঙলোন চাবা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা শেন্বা ঙল্লে। ত্রান্সপোর্ট সার্ভিস অসি মীয়ামদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক্তা লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মরি (৪), জিরিবাম, ফেরজোল, নোনে অমদি কামজোং দা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসশিং হাংদোক্তুনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিং লোইনা সার্ভিস অসি য়ৌহল্লগনি।

১০৬. লমদম অসিগী রিমোট অমদি খুদোংচাদবা মফমশিংদা চখোক-চৎশিন ফগৎহন্নবা হেলিকোপটর সার্ভিস অসি হেনগৎতুনা হৌজিক-হৌজিক ইম্ফালদগী তমেংলোং, উখ্রুল, চুরাচান্দপুর, সেনাপতি, মোরে, জিরিবাম অমদি মিজোরাম য়াওনা চৎপা ঙল্লে। আরসিএস-উড়ান ২.০ স্কীমগী মখাদা, জিরিবাম অমদি পার্বুংদা হেলিপেদ অনি (২) শাবা লোইশিনখ্রে। লোয়ননা, ভাইএবিলিটি গেপ ফণ্ডিং স্কীমগী মখাদা ইম্ফাল-দিমাপুর, ইম্ফাল-গুৱাহাটি অমদি ইম্ফাল-কোলকাটা গী রুটশিং সেদূল এয়ার সার্ভিসশিং চৎনবা হৌরে। অমদি ইম্ফাল-সিলচর রুটশু পায়খৎনবা খন্নরি। ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট কী কার্গো টর্মিনেল বিল্ডিংশু শাবা লোইবগা লোয়ননা শঙ্গানবগী শেম-শাবা লোইরে। মসিনা লমদম অসিগী এয়ার-কার্গো কেপাসিটিদা হেন্না চাওখৎপা অমদি মণিপুরগী নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেল মার্কেটশিংবু হেন্না শন্নহন্দুনা চাওখৎহনবা ঙমহল্লগনি।

১০৭. লৈবাক মীয়ামগী ওইবা গভর্নান্স অসি ফগৎহন্নবা, কোন্টেক্টলেস সার্ভিসশিং চাওথোকপগী শরুক অমা ওইনা অনৌবা সার্ভিস ৬ হেনগৎতুনা পূন্না সার্ভিস ৩৭পু লায়না পায়খৎপা ঙমহল্লি। ই-ওক্সন সিষ্টেমবু নৌনা পুথোক্কুনা ফেন্সি ভেহিকল রেজিষ্ট্রেসন নম্বরশিং পীরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী অপূনবা রেভিন্যু কল্লেক্সন অসি ২০২৪-২৫তা লুপা কোটি ৫৩.৬০ ওইরম্বদগী কুমজা ২০২৫-২৬তা লুপা কোটি ৮৬.৮৩দা হেনগৎলে।

১০৮. পেসেঞ্জর সেফটিগী কম্মিটমেন্ট ঙাক্লবা পায়খৎপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা, নির্ভয়া ফ্রেমৱার্ক ফোর পব্লিক ত্রান্সপোর্ট ভেহিকলগী মখাদা ভেহিকল লোকেসন ট্রেক্কিং দিভাইশিং মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বসশিংদা হাপ্পা হৌখ্রে অমদি ষ্টেট অসিদা চেল্লিবা কম্মরসিএল ভেহিকলশিং পূম্নমক্তা হাপ্নবা থৌরাং তৌরি।

১০৯. ইম্ফাল সিটিগী অর্ব্বান কনজেসন অমদি পার্কিংগী খুদোংচাদবা অসিগী মতাংদা, মল্টি লেভেল, রোটরি পার্কিং সিষ্টেম ২ খিন্নবা এপ্রুম তৌরকখ্রে অমদি ফিজিবিলিটি রিপোর্ট থাখ্রে।

**অর্ব্বান প্লানিং এণ্ড দিভেলপমেন্ট**

১১০. স্বচ্চ ভারত মিসন (অর্ব্বান) ২.০ গী মখাদা অর্ব্বান সেনিটাইজেসন অমদি ৱেষ্ট মেনেজমেন্টগী মরুওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি পূন্না অর্ব্বান লোকেল বোদি ২২দা অপূনবা টিপিদি ৫৬গী কম্পোষ্ট পিটশিং শাদুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লি। পব্লিক সেনিটাইজেসনগী ওইনা সিট ১৬কী নোর্মেল পব্লিক টোইলেট, ইন্সপিরেস্নেল টোইলেট ১০ অমদি ইউরিনেল ২৭ শাবা লোইখ্রে। লোয়ননা সিট ৫৪, ১০ অমদি ৪৫গী কেপাসিটি ওইবা অসিসু শেম শাবগী থবক চত্থরি। কেএলদি ২০গী ফিকেল স্লদজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অমসুং শাবগী থবক চত্থরি। ইউএলবি ১৬না ওদিএফ + সার্টিফিকেসন ফংখ্রে। অমরোমদা জিরিবাম মিউনিসিপাল কাউন্সিল অসি ওদিএফ ++ অমদি থ্রি-ষ্টার গার্বেজ ফ্রি সিটিগী ষ্টেটস ফংখ্রে। ইম্ফাল মিউনিসিপাল কোর্পোরেসননা ৱান-ষ্টার জিএফসি সার্টিফিকেসন ফংখ্রে অমদি স্বচ্চ সুরভেক্সন ২০২৪-২৫গী মখাদা নোর্ট ইষ্টর্ন রিজনগী ওইনা জিরিবামবু 'প্রোমিজিং স্বচ্চ সহর ওফ মণিপুর' গী মিথোলসু পীখি।

১১১. প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনা (অর্ব্বান) হাউসিং ফোর ওল গী মখাদা পূন্না বেনিফিসরি ৩৫২৫ ইউএলবি ১৩গী এপ্রুভ তৌখ্রে। শেনবা চহী ২০২৫-

২৬ কী ওইনা অপূনবা শেনফম লুপা কোটি ৩১৭২৫ অহানবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা সেন্ত্রেল এসিষ্টেন্সকী রিলিজ তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা য়ূম ১৯৮৫৩ শাবা লোইখ্রে। অমদি ২৮৪৩১ না শাবগী থবক চথরি।

১১২. ইন্ফাল স্মার্ট সিটিসু মায় পাক্লা চথরি। ইন্ফাল রিভরফ্রন্ট দিভেলপমেন্ট গী ফেজ–টু, থাঙ্গাল বজার মোল রোদ দিভেলপমেন্ট অমদি জিআইএস–বেজ প্রোপর্টি টেক্স মোদ্যুল লোইশিনখ্রে অমদি শঙ্গাখ্রে। অপূনবা অচঙবা শেনফম লুপা কোটি ৯৬ ওইখি। মখা তানা অর্ব্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি গভর্নন্সথ হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনরি।

**রুরেল দিভেলপমেন্ট**

১১৩. থোক্লক্কনি থাজদবা শিংনবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ মতম অমদি কাংলুপশিংগী তংদু লৈতানবা অমদি খুন্নাইগী পূন্না তাশিন খোঙজিন্নবা হোৎনরিঙৈ মতম অদিা মহাত্মা গান্ধী নেস্নেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্টি স্কীমগী মখাদা নহাশিং অমদি আইদিপিশিংদা মরুওইবা শেল–থুমগী তেংবাং পীদুনা লাক্লি। লৈঙাক অসিনা লৌরিবা পূন্না চাওখৎমিন্নবগী ফিরেপ অসিদা থাজবা থমদুনা মণিপুরনা মসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা লেবর বজেট লাখ ৪০০ পর দে ফংযদুনা রেকোর্দ ওইনা লুপা কোটি ২০০০ ফংখি। হৌজিক ফাওবদা য়ুমথোং খুতিদংগী নুমিৎ ৪০গী চাংদা কান্নবা পীদুনা লাখ ২০০ অনদ দে শেমগৎপা ঙমখি। মসি চাদ ৬০ রোম নুপীশিং অমদি এসটি কাংলুপকী তংখায় হেন্ননি। চহী অসিদা খুৎশুমন পীবা অমদি কান্নবা লন–থুম শেমগৎপদা মিৎয়েং থমদুনা লুপা কোটি ৯০০ হেন্না মায় পাক্লা শীজিন্নখি।

১১৪. প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনা গ্রামিনগী মখাদা য়ূম ১০১৫৪৯ শানবা অয়াবা পীখি, মসিগী মনুংদা য়ূম ২৯২৪৯ শাবা লোইরে। মসিগী মথক্তা থৌরাং অসিগী মখাদা য়ূমথোং ১৮৫০১৯ য়েংশিনবা লোইখ্রে অমদি অচুম অরানগী থবক খুমাং চাওশিন্না পায়খৎলে। ময়ুম থাদোক্লল্লবা ইমুং শিংদা অরেপ্পা ময়ুম পীনবা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা য়ুম অমমম্দা লুপা ৩০০০০০ গী শেনফম অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মনুংদা য়ুম ২৭৬৭ শাবগী থবক কন্না চথরি। মসি লুপা লাখ ১.৩না পিএমএৱাইজি অমদি লুপা লাখ ১.৯না হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদনি।

১১৫. ষ্টেট অসিগী খুঙ্গংগী লম্বী থোং অমদি খুন্নাই অমদি শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক যোজনানা কন্না লেপ্তনা হোৎনরি। পিএমজিএসৱাই – ৱান অমদি টুগী মখাদা চহী ২০২৫–২৬তা লম্বী

কিলোমিটর ২.৮৬ শেমখ্রে। পূন্না থবক ১৯৩১ কোনশিন্দুনা লম্বী কিলোমিটর ১০৮৯৮ অমদি মী তাবা মফম ৬২২ শেমখ্রে। পিএমজিএসৱাই – থ্রিগী মখাদা কিলোমিটর ৭৭২গী লম্বী ৯৬ কী শেনফম লুপা কোটি ৬১৫ অয়াবা পীখ্রে অমদি পিএমজিএসৱাই – ফোরগী পায়খৎকদবা থবক ৩০০ লোমসু শেম শারি। মসিগী মথক্তা, পিএম–জনমনগী মখাদা লুপা কোটি ৪০রোম চঙগদবা পূন্না কিলোমিটর ৩৫ শাংবা লম্বী ৮গী থবক্কী অয়াবা পীরক্লে। অমদি থবকশিং শিন্নখ্রনি।

১১৬. নুপশিংনা হেন্না থৌনা হাপ্পদা অকনবা মিৎয়েং থমদুনা ভিলেজ লেভেল ফেদেরেসন ১০০০ অমদি ক্লষ্টর লেভেল ফেদেরেসন য়াওনা পূন্না লত্তুপটি দিদি ১০০০০ শেমদুনা চাওরাক্লা এসঐচজি ১৩০০০ শেমখ্রে। মতম কুইনা সমস্যা ওইদুনা লাক্লবা এমএসআরএলএম – ঐচআর গী মেনুএল মিনিষ্ট্রিদগী অয়াবা ফংদুনা মশক থোকপা মায় পাকপা অমা ওইখ্রে।

**সোসিএল ৱেলফিয়ার**

১১৭. ঐহাক্কী গভর্নমেন্ট অসিনা ষ্টেট শীনবা থুংনা য়েংশিনবা, ঙাকপী শেনবীবা ঈ–পাউ খঙহনবা অমদি কান্নবা ফংহন্নবদা মিৎয়েং থমদুনা খুন্নাইশিংগী মীৎয়েং চঙগদবা কাংবুশিং ঙাক–শেম্নবা অমদি থৌগৎপদা মিৎয়েং থমদুনা য়াইফ–থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি ।

১১৮. অটল ভায়ো অবভ্যুদৈ যোজনাগী মখাদা ষ্টেট শিন থুংবদা অহল ওইরবশিংগী ইজৎ অমদি য়েংশিনবা থৌগৎনবা এৱেরনেস কেম্পেন পাঙথোকখি লোয়ননা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট অনৌবা হোম অনি খনবা য়াওনা ষ্টেট অসিনা দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কী ওল্ড এজ পুম্নমক কোনশিনবা ঙমখি। নিলা চাবশিং কোহন্নবা ইন্টিগ্রেটেদ রিহেবিলিটেসন সেন্তর ফোর এদ্দিক্ট ২৫ থবক চথুরি। মসি চহী ২০২৫দা রেজিটের তৌখিবা ৫ য়াওনা ত্রষ্ট দি–এদিক্সন সেন্তরগী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবা সেন্তর ৩৫ গী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকপনি।

১১৯. লোনফাও এপ্প হৌদোকখিবদগী খোঞ্জেল তাবদা শোল্লবশিংগী পাউ ফাওনবদা মতেং য়াম্না হেনগৎহল্লে। এদিআইপি অমদি রাষ্ট্রিয়া ভায়োশ্রি যোজনাগী মখাদা পাঙথোকখিবা য়েংশিনবগী কেম্পশিংনা মতেং পাংগদবা খুদোংচাবা ফংগদবা মীওই ১৭০০ মশক খঙদোক্লে।

১২০. পিএম–জনমনগী মখাদা মরুওইনা পিভিটিজি মফমশিংদা আঙ্গনৱাদিগী থবক থৌরমশিং শন্দোক্লে। সেনাপতিদা আঙ্গনৱাদি সেন্তর ৫ উরেপ উয়ুং

তন্বা য়াওনা আঙ্গনৱাদি সেন্তর ১৩ সেনাপতি অমদি আঙ্গনৱাদি সেন্তর ১২ কাংপোকপীদা শাবা লোইশিনখ্রে। সাচিগী মখাদা অয়াবা পীখ্রবা মতুং ইন্না এদব্লিউসি ৩৪১ মফম শিন্দোকখ্রে অমদি ৭৪০ শাবগী অয়াবা পীখ্রে। আঙ্গনৱাদি সেন্তরশিং ফসাইগী মখাদা রেজিস্ত্রেসনদা নিয়র–য়ুনিভর্সেলগী মখাদা সপ্লিমেন্টরি নিউট্রসন প্রোগ্রাম পীগদবগী থবক হেনগৎহল্লে। মসিদা ঐখোয়গী মথেলশিং অমদি নৌনা হৌদোকপ থৌরাংশিং অঙাংশিং অমদি মমা ওইবশিংগী চিঞ্জাকশিং য়েংলগা শেন্বনি।

১২১. নুপীশিংদা মিৎয়েং থমদুনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা নেস্নেল গরল চাইল্ড দে, ইন্টরনেস্নেল ৱিমেন্স দে, স্বচ্চতা হি সেৱা, ৱিমেন হেল্পলাইনগী কেপাসিটি বিল্ডিং অমদি ৱান ষ্টোপ সেন্তরগী থৌমীশিং লোয়ননা ঐখোয়গী মহৌশাদগী লোয়নরক্লবা থবকশিং য়াওরি।

১২২. মিসন ভাটসল্যগী মখাদা আইদিপি অঙাংশিংগীদমক স্পিসিএল আউটরিচ প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট শিন থুংনা বির বাল দিৱস পাঙথোকখি অমদি চাইল্ড কিয়ার ইন্সটিট্যুসন শিংগী অঙাংশিংগী মায় পাকপশিং শকখঙলে। অনৌবা গভর্নমেন্ট রন স্পিসিএলাইজ এদোপসন এজেন্সি তরেৎ লিংবগা লোয়ননা অঙাং কোনবগী থবকশু পাকথোক চাওথোক্লে, নাকল অমরোমদা অঙাং লুহোংবগী মায়োক্তা ৱাশক লৌদুনা ষ্টেট শিন থুংনা পালন তৌদুনা অঙাং লুহোংবগী মায়োক্তা অকনবা থৌরাং লৌখৎলে।

**লেবর ৱেলফিয়ার, এমপ্লোইমেন্ট জেনেরেসন এণ্ড ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ**

১২৩. তোঙান তোঙানব খোঙথাংশিংগী খুথাংদা স্কীল দিভেলপমেন্ট, এমপ্লোইমেন্ট অমদি য়ুঠ ইমপৱারমেন্টতা শীংথানিংঙাই ওইনা খুমাং চাওশিল্লে। স্পেসিফাইদ স্কীল ৱাকর্স প্রোগ্রামগী মখাদা আইদিপিশিং অমদি এসঐচজি ইমুংশিংগী অঙাংশিং য়াওনা লনাই মীওই ৪২ জপান্দা থবক ফংহনখ্রে। অহেনবা ১৫না নর্সিং অমদি হোস্পিটালিটিগুন্বা সেক্তরশিংদা কুমজা ২০২৬কী অঙনবা শরুক্তা থবক ফংহনল্লগনি। থৌরাংশিং অসিবু শেসৌগৎলদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা জপানিজ লেংগুএজ ট্রেনিং সেন্তর অমা লিংনবা এমওইউ অমা খুৎয়েক পীনখ্রে। এৱেরনেস কেম্পেনশিং অমদি মেদিয়া আউটরিচনা নহাশিংবু শরুক য়াননবা পূক্লিং থৌগৎলি, অমরোমদা, জিকা অমদি কাগাৱা প্রিফেকচরগা খুৎশম্নদুনা নর্সিং, এগ্রীকলচর অমদি কন্সত্রক্সন সেক্তরশিংগী হ্যুমেন রিছোর্স কোল্লাবোরেসনশিং মপাঙ্গল কনখৎহল্লি।

১২৪. পিএমকেভিৱাই ৪.০গী মখাদা নহা ৫০০ থবক ফংহনখ্রে। ইন্দিয়া স্কীল কমপিটিসন ২০২৫দা মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা রিজনেল মেডালিষ্ট কয়া পুথোকখ্রে, ৬ অমদি নেস্নেলগী থাক্তা চঙখ্রে। নেস্নেল এপরেন্টিসসিপ প্রমোসন স্কীম ২.০ ষ্টেট শীনবা থুংনা হৌদোক্লে, ৱার্কসোপশিং অমদি মেলা কয়া থৌরাং তৌরি। টাটা স্ত্রাইভকা খুৎশম্নদুনা শুংশোয় শোইদনা থবক ফংহন্নবগী পান্দমদা আইদিপিগী নহাশিং লেম্না স্কীল ত্রেনিং ফংহনখ্রে।

১২৫. তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী মখাদা মহৈরোয় ৯০০ রোমগা লোয়ননা সরকারগী আইটিআই পূম্নমক হৌজিক এনসিভেট তা এফিলিয়েট তৌখ্রে। নুপীশিংগী ওইবা অহানখবা গরল হোষ্টেল অমা আইটিআই, তাকয়েলদা হাংদোকখ্রে। পিএম বিস্বকর্ম্ম স্কীমগী মখাদা গ্রেজুএট লোইরবা মীওই কয়া অনৌবা মশাগী শিনফম হৌদোকখিবগা লোয়ননা ত্রেনি ৫০রোম ইন্দষ্ট্রিগী পার্টনরশিংগা লোয়ননা কেম্পস প্লেসমেন্টতা মতেং পাংখ্রে।

১২৬. পোৎচৈ য়োনবা অমদি মীয়ামগী লাইথোকহন্নবদা চৎন-কাঙলোন অমদি চৎনবীশিংদা মিৎয়েং থল্লি।

## Textiles, Commerce and Industries

১২৭. Hon'ble Member, ঐখোয়গী Government অসিনা Industrial লমদা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলি ; MSME support, Artisan শিংবু হেন্না পাংগল হাপ্পবা অমদি Trade & Market গী ফিভম হেন্না চাওথোক্লবা হোৎনরি ।

১২৮. PM Gati Shakti গী মখাদা, approved cost Rs. 36 core রোমগী Additional Induistrial Unit 40 শিং হায়বদি Tera Urak, Bishnupur, Salemthar অমদি Chandel দা শাবগী থবক চৎথরি লোয়ন্না Imphal West, Bishnupur অমদি Kakching দা Effluent Treatment Plants অহুম লোইশিনখ্রে ।

১২৯. PM Vishwakarma Scheme না artisans অমদি craftspeople মরুওইনা নুপীশিং, SC/ST/OBC Community শিং অমদি চীংগী লমদা খুন্দারিবা লোয়ননা NER State কী পাকতক্লনা খুদোংচবাশিং পিরি । হৌজিক ফাওবদা 91,000 application ফংলে, Beneficiary 11,165 না

Training ফংলে, 2,085 না Loans sanctioned তৌখ্রে অমদি Toolkits 1,747 য়েনথোকখ্রে ।

১৩০. PMEGP না micro-enterprises শিং লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি । Application 2000 মুক থাজল্লকখি মসিদা Bank কা linked তৌবনা 1600 নি অমদি 215 projects না Bank না sanctioned তৌরি লোয়ন্না 789 application না pipeline দা লৈরি । World bank না Support তৌবা RAMP Programme না extensive outreach, capacity building অমদি market linkage initiatives কয়া অমা পাংথোকতুনা MSME, 27,000 হেনবদা খুদোংচবশিং পিরি । মসিদা নুপীনা চল্লাইবা enterprise শিং, Branding, packaging, Tourism গা link তৌবা programme শিং অমদি Digital Marketing support শিং য়াওরি ।

১৩১. হৌখিবা চহি অসিদা Entrepreneurship training কয়া চৎথদুনা মীওই 69 trained তৌখি অমদি Mobile food processing programme দা 120 trained তৌখি । HADP গী project অনি Tea processing Centre Tamenglong দা অমদি integrated Horti-Agri Processing Centre, Noney দা শাবা লোইশিনখ্রে ।

১৩২. Manipur না Trade অমদি Investment বু National Platform দা চাওনা য়োকখৎপদা মতেং পাংলি । 2025 কী Rising North-Eat Summit তা লুপা 8.060 crore গী MOU নিপান sign তৌখী, State অসিনা GI –Tagged ফংলবা indegenous product শিং World Food India 2025, Sangai Festival অমদি India International Trade Fair দা ঙংখি ।

১৩৩. ইনফ্রাষ্ট্রকচর, প্রদক্তিভিটি অমসুং মার্কেৎ আউটরিচ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা এনঐচদিপি গী মখাদা, এদভান্স লুম ৩০০০ য়েন্থোকখ্রে, ৱার্কসেদ ৩৫০ শাখ্রে অমসুং কমন ৱার্কসেদ ২১ শাননবা থৌরাং তৌদুনা

লৈরে। আইদিপি শিংগী পুন্সি মহিং হেনগৎহন্নবগী ৰাখল্লোন্দা মিংয়েং থমদুনা লুমশিং অমসুং টুলকিৎশিং সপ্লাই তৌবা য়াওনা আইদিপি শিংনা পুথোকপা পোথোকশিংং আইদিপি ১৬৩৬ তগী সরকারনা লৈখি, মার্কেৎতিং ইভেন্টশিংদা ালেম্না মখোয়গীদমক স্তোলশিং হাংহনখি অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা অখন্নবা ট্রেদশিংগী হেন্দস-ওন-ট্রেনিং পীহনখি।

## টুরিজম

১৩৪. ষ্টেট অসিনা ঐখোয়গী ইনাকখুল্লবা অমদি মান্নদবা চাওথোকচনিংঙাই হেরিটেজশিংবু ওইনা ষ্টেটকী থাক্তা ফেস্তিভেলশিং সেরিজ ওইনা থৌবু ওইনা পাঙথোকখি। হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিনা ঐখোয়গী আর্টিসানশিং, য়ূমশিং অমসুং লমদমসিগী ওন্ত্রেপ্রেনোরশিংদা খুদোংচাবশিং পীখি। অদুগা নাকল অমরোমদনা ইভেন্টশিং অসিনা ভিজিটরশিং চিংশিনখি অমসুং মালেমদা মণিপুরবু সো-কেস তৌদুনা ইকোনোমিক রিভাইভেলদা কনট্রিব্যুট তৌখি, সেন্স ওফ কম্ম্যুনিটিগী ৰাখল্লোন পোকহন্দুনা চাওথোকচবা ফাওহল্লি। মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল, সিরুই ফেষ্টিভেল, ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল অমসুং বরাক ফেষ্টিভেল মণিপুর টুরিজমগা লোয়ননা মায় পাক্লা পাঙথোক্তুনা জাতিগী অমদি অন্টরজাতিগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদাহ মণিপুর টুরিজম লেপ্তনা প্রমোৎ তৌরি।

১৩৫. টুরিষ্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহন্ননবগী মীৎয়েংদা, পূন্না লুপা কোটি ৪২ রোমগী ওইবা মরুওইবা প্রোজেক্টশিংগী - পোলোগ্রাউণ্ড অকোইবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট, ইবুধৌ মার্জিং, হৈঙাং (ইম্ফাল ইষ্ট) কোইদো বিশো ভিলেজ সেনাপতিগী বরাজ হেরিটেজ ফেষ্টিভেল, মন্ত্রিপুখ্রি খোঙনাং মখোঙগী ইকো-টুরিজম সাইট অমসুং কাইনা হিল্লোক, ইম্ফাল ইষ্ট য়াওরি। ইম্ফাল ইষ্টতা হিল চিফ গেষ্ট হাউস শাবা লোইদুনা শঙ্গাখ্রে। লোয়ননা সাচি স্কীমগী মখাদা লুপা কোটি ৬৫ চঙনা বকসি গ্রাউণ্ড উখ্রুলদা শিরুই হেরিটেজ ভিলেজ শাননবসু অয়াবা পীরকখ্রে। টুরিজম ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না পাকথোক চাওথোক্লনবা মখা তানা শেলগী মতেং পীবিননবা অনৌবা প্রোপোজেলসু পীশিনখ্রে।

## স্পোর্টস

১৩৬. ২০২৫-২৬তা, মণিপুরনা ৬৮শুবা নেস্নেল স্কুল গেমস ইদিসন ১৩৪শুবা দুরাণ্ড কপ ইদিসন মণিপুরনা মায় পাক্লা থৌবু ওইখি অমসুং শরুক য়াখি।

১৩৭. সঙাই ফেষ্টিভেলগী মতমদা ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা ১৫শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্টসু পাঙথোকখি।

১৩৮. রাজ্য অসিনা ৩৮শুবা নেস্নেল গেমসতা ১১শুবা মফমদা লৈখি অমদি ৬৮শুবা নেস্নেল স্কুল গেমস (২০২৪–২৫)দা ৫শুবা মফমদা লৈখি। খেলো ইন্দিয়া ২০২৫দনা ৮শুবা পোজিসন অমসুং খেলো ইন্দিয়া বিচ গেমস ২০২৫দনা অহানবা পোজিসন তাখি।

১৩৯. ইন্টরনেস্নেল ক্বালিফিকেসন ষ্টেজদা মণিপুর ভারতকী নুপীগী হোকিদা ঐটিহাসিক ওইবা মফম অমা কনখি। মসিদা মণিপুরী নুপী শান্নরোই ১০না এসিয়ান ৱিমেন্স চেম্পিয়নসিপ ২০২৫দা মায় পাক্লকুবা ভারতকী টিমগী মনুংদা চনখি।

১৪০. নোনে দিষ্ট্রিক্টতা মিনি ষ্টেদিয়ম শাবা অমদি ময়াং ইম্ফালদা মল্টিপর্পজ ইন্দোর হোল শাবনচিংবা প্রোজেক্টশিং অরোইবা তাঙ্ককতা লৈরে।

আর্ট এণ্ড কলচর

১৪১. মণিপুরগী ইনাখুল্লবা অমদি তোপ–তোপ্পা নাৎ–চৎনবী অমদি কলা সংস্কৃটি পূক্কে অসি চাউথেল্লজ্ব চনিংঙাইগী মচা অমনি। মসিনা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী লীচিং ওইরি। অসিগুম্বা লনসঠশিং অসি জাতিগী ওইবা প্লেটফোর্মশিংদা উথোকেপা ওইনা, শগোল কাংজৈ উৎপা রাজ্যসিগী টেব্লো মা রিপব্লিক দে ২০২৫গী থৌরমদা ভারত পর্ব্ব লাল কিলাদা উৎখি অমদি রিপব্লিক দে পেরেদ ২০২৬তনা জিআইটেগ তৌরবা লৌউশিংউগী পোত্থোকশিং উপা টেব্লো পুথোকখি। গুজরাত্তা পাঙথেল্লজ্ব পা একটা পেরেদ অমদি ভারত পর্ব্বদসু মণিপুগী কলা সংস্কৃটিগী থৌরমশিং উৎখি।

১৪২. অনিশুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৫ মায় পাক্লা পাঙথেল্লজ্বখি। থিএটরগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শক্লাইরবা রতন মিয়াগী মরমদা জাতিগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোকখি। য়ুনস্কোগী ইন্টেজিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিটিগী রিপ্রজেন্টিটিভ লিষ্টতা নোমিনেট তৌনবা সঙ্গিৎ নাতক একাদেমিদা প্রোপোজেল অমা লানখৎপগা লেল্ল।ননা ইন্টেজিবল হেরিটেজ থম্নবা অমদি প্রমোৎ তৌনবগী থবকশিং মখা তানা চথরি। মখা তানা, লৈশাং ংিদেল ইষ্টর্ন সাইদ ফেজ ৱান শেমগৎপা লোইদুনা শঙ্গাখ্রে মসিনা কলা সংস্কৃটিগী মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকনবগী মচাকশিং হেননা ফংহল্লে।

রিলিফ এণ্ড দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট

১৪৩. ইং ২০২৫দা মণিপুরদা শাথিরবা ঈশিং ঈচর কয়া থেংনখি, মদুদা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা খুদক্কী ওইবা তেংবাংগী থৌরাংশিং লৌখৎখি, তেংবাংশিং অদুদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎমশিং ফংহনবা রিলিফ কেম্প

হাংদোকপা অমদি ষ্কুলগী মতেং ফংহনবগী থবকসু খোঙলৈ থুনা পায়খৎলি। তুং কোইনা চৎকদবা থৌরাং ওইনা, ষ্টেট ডিজাষ্টর মিটিগেসন ফণ্ড গী মখাদা ফ্লড অমদি লেণ্ডস্লাইদ মিটিগেসন প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা হৌখ্রে অমদি ফ্লড আর্লি ৱার্নিং সিষ্টেম অমগী থবক পায়খৎলি । ভোলুন্টিয়র ওঝা অমদি কেদটশিংদা দিজাষ্টর রেস্পোন্সকী ত্রেনিং, কেপাসিটি বিল্ডিংগী মখাদা ফংহনখ্রে অদুগা 'ওপরেসন অভ্যাস' মোক ড্রিলনা অমদি রেসক্যু তৌবগী খুৎশূ-খূৎলাইশিং লৈশিন্দুনা ডিজাষ্টর থেংননবগী শেম শাবগী থবক হেন্না ফগৎহল্লে।

১৪৪. জঙ্গল মৈ চাকপা অমদি লেণ্ডস্লাইদ থোকপা হন্থহন্নবগী থবকশিং লৌখৎলে। অমদি খুদক্তা খুৎশম্ননা থবক পায়খৎতুনা .জুকো তম্পাক্কী মৈচাকপা কনবা ঙমখি। মসিনা লন-থুম অমদি পুন্সি কয়া কন্নবগীদমক লেপ্তনা লৌরিবা অচেৎপা ফিরেপ অদু তাক্লে। মণিপুরগী জিলা ১০গী খুঙ্গং ৪৯দা ফোরেষ্ট ফায়র রিস্ক মিটিগেসন প্রোজেক্টশিং এনডিএমএ গী ফণ্ডিং মখাদা পায়খৎলি।

ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি

১৪৫. ইং ২০২০ দগী হৌদুনা ই-ওফিস সিষ্টেমপনা মসিগী মখাদা গভর্নমেন্ট এন্টাইটি ১৮৪ অসিগী কর্ম্মচারি ৩৮১৮ কোনশিন্দুনা মণিপুরগী এদমিনিস্ত্রেটিভ গভর্নান্সকী মওং হোংদোকহল্লে। ই-ফাইল ৯৭০০০ অমদি দাক ফাইল লাখ ৫.৫ হেন্না প্রোসেস তৌদুনা সিষ্টেম অসিনা রাজ্য অসিদা ত্রান্সপরেন্সি, রেকোর্দ সেক্যুরিটি অমদি ইফিসিএন্সি হেন্না ফগৎহল্লে।

১৪৬. সাইবর কোর্পোরেসন মণিপুর লিমিটেদনা চলাইবা মন্ত্রিপুখ্রিদা হেক্তর ১০.৮৫ চাওবদা লৈরিবা আইটি - স্পিসিএল ইকোনোমিক জোন রাজ্যসিগী আইটিগী তুংগী আশাগী মফমনি। ই গভর্নান্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর চেকশিন্না থম্নবা অমদি দিজিটেল ওন্ত্রেনোরসিপ প্রমোট তৌনবা লুপা কোটি ৪১৮গী ৱার্ল্ড বেঙ্কনা ফণ্ড থাগদবা মাইন্দ প্রোজেক্ট থবক্তা ওন্থোক্লবগী থাক্তা লৈরে। এমটিআই হবনা ষ্টার্টঅপ ৭৫ শৌগৎলে, ষ্টার্টঅপ ৩০দা লুপা কোটি ৭.৫গী শেন্থুং থাদবা ঙমহল্লে, অমদি কম্পনি ৫০ লিংখৎপা ঙমহল্লে। বিল্ডিং নম্বর ৱান শঙ্গাখ্রে অমদি মসিগী স্কার ফুট ১.৪৮ লাখ পাক চাওবা মফম অসি গ্রীন ডেটা সেন্তর, এআই লেব, সাইবর সেক্যুরিটি ত্রেনিং সেন্তর, ষ্টাটঅপ সপ্পোর্ট সেন্তর, সিট ১০০০ লৈবা বিপিও অমদি আইটি ফার্মশিংগী ওফিস স্পেসশিং লৈহন্নবগী থৌরাং তৌদুনা শাখিবনি। পিএম-দিভাইনগী মখাদা বিল্ডিং নম্বর ২ শাবগী থবক চৎথরি অমদি মসিদা আইটি প্রোফেস্নেল ২৫০০দা থবক শুফম ফংহন্নবগী হায়না আশা তৌরি।

১৪৭. স্বাননা সরকারগী ওফিসশিংদা লেপ্পা লৈতনা চাং নাইনা ইন্টরনেট কনেক্তিভিটি ফংহল্লি। অদুগা ই-সার্ভিসেস মণিপুরনা নাগরিকশিংদা সরকারদগী কান্নবা লৌনবগী খুদোংচাবা হেন্না পীরি অমদি ষ্টেট ডেটা সেন্তরনা রাজ্য অসিগী ডিজিটেলগী লনগৈশিংগী সেক্যুর ওইবা রিপোজিটরি অমা ওইরি।

## লেণ্ড রিসোর্সেস

১৪৮. হৌখিবা চহীশিংদা মণিপুরদা য়াম্না মশক থোকপা অমদি মনুং মপান নাইদবা লেণ্ড এদমিনিষ্ট্রেসন দা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমখ্রে। লেণ্ড রেকোর্দ কম্প্যুটরাইজ তৌরবা পূম্নমক্কা ওনলাইনদা লেণ্ড রেভিন্যুশিং পেমেন্ট তৌবা হৌদোকখ্রে। মসিনা লেণ্ডওনরশিংদা লৈরম্বা পোৎলমু হস্তহনবা ঙল্লে, রেভিন্যু হেন্না খোমগৎপা ঙমহল্লে অমদি রিএল টাইম মোনিটরিং তৌবসু ঙমহল্লে।

১৪৯. তম্পাক্কী রেভিন্যু ভিলেজ ৬.৪গী মনুংদা ৫৬১গী লেণ্ড রেকোর্দ হৌজিগক কম্প্যুটরাইজ তৌবা লোইরে। লেমহৌরিবা ভিলেজশিংসু অথুবদা দিজিটাইজ তৌরগনি। রেলৱেগী নেস্নেল হাইৱেশিংগী, ইম্ফাল রিং রোদকী, বোর্দর ফেন্সিং খায়বগী অমদি ইন্দিয়া-ম্যানমার লোন্নবদা লৈবা লম্বীশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং শেম্নবগী লম লৌশিনবগী থবক তৌরে।

১৫০. ১৯৬০ মতমগী সর্ভেশিংগী কেদাষ্ট্রেল মেপশিং মপূং ফানা দিজিটাইজ তৌরে। মসিনা প্লোট আইনেন্টিফিকেসন তৌবা, ভেরিফিকেসন তৌবদা অমদি দিস্প্যুট রিজোলুসনদা মনুং মপান নাইদনা সিষ্টেম অমা পীরে। লাক্কদৌরিবা থাশিংদা, কোর্টশিংদা লৈরিবা রেভিন্যু কেসশিং ষ্টেন্দ সোফৱের শীজিন্নদুনা, লায়না ট্রেক্কীং তৌদুনা, রেকোর্দ কিপিং ফগৎহন্দুনা অমদি মতমগা চূনবা দাইত্বা লৈবা লেণ্ড গভর্নান্স সিষ্টেম শীজিন্নদুনা ষ্ট্রিমলাইন তৌরগনি।

## কোর্পোরেসন

১৫১. নেস্নেল কোওপরেটিভ রিফোর্মশিংগা চাননা, কম্প্যুটরাইজেসন পেক্স প্রোজেক্টকি মখাদা লুপা কোটি ৯ চঙনা হৌজিক ফাওবা সোসাইটি ২৩২, মণিপুরগী পেক্সনা মোদেল বাই-লোশিং শীজিন্নদুনা দিজিটাইজ তৌরি। মসিগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পেক্স ২১৫দা হার্দৱের সপ্পোর্ট তৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা আরসিসি ওফিসশিং কম্প্যুটরাইজেসন তৌবগী থবক খুমাং চাওশিনবা অসিনা কোওপরেটিভ গভর্নান্স মপাঙ্গল কনখৎহল্লে।

১৫২. প্রাইমরি কোওপরেটিভ ৩৬তা লুপা লাখ ১৮গী শেলগী তেংবাং অমদি ঙাক্লৌ পীরে। মণিপুর এপেক্স হেণ্ডলুম ৱিভর্স এণ্ড হেণ্ডিক্রাফট আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটিদা লুপা লাখ ২ অমদি ফিসরিজ কোওপরেটিভ ২২দা লুপা কোটি ৫.১৭ লাইভলিহুদ দিভেলপমেন্ট পীখ্রে।

**ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিসিটি**

১৫৩. কুমজা ২০২৫ মনুংদা, ঐহাক্কী সরকার অসিনা সোসিএল মেদিয়া দাইত্ব লৈনা শীজিন্নবা অমদি অরানবা ঈ-পাউশিং থিংননবা, কলচরেল অমদি টুরিজম ইভেন্টশিং প্রমোৎ তৌনবা, ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর, অমদি ইকাইখুম্নজরিবা প্রসিদেন্ট লাকপগী য়াওরগা নেস্নেল এনগেজমেন্টশিং লাইভ টেলিকাষ্ট তৌবা অমদি ক্যুরেটিদ ভিজুএল কন্টেন্টশিং শন্দোপনচিংশিং য়াওরগা মল্টিমেদিয়া কেম্পেনশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা য়ৌহন্নবগী থবক চাং হেনগৎহল্লে।

**সাইন্স এণ্ড টেক্নোলোজি**

১৫৪. ঐহাক্কী সরকার অসিনা হেন্না চাওখৎলবা সাইন্স ইন্নোভেসন অমদি প্রোক্তিকেল টেক্নোলোজিশিং মহৈরোয়শিং, ইজুকেটরশিং, ইন্নোভেটর অমদি নুপীশিংদা য়ৌহন্দুনা খভহনবদা হেন্না মিৎয়েং চঙলি। ইন্নোটেক ফেষ্ট ২০২৫ অসিনা মহৈরোয়শিং অমদি ষ্টার্টঅপ ইন্নোভেসনশিংনা একজিভিসন, রোবোটিক্স, সাইন্স দেমোন্সট্রেসনশিং অমদি এৱেরনেসকি খুত্থাংদা ক্রিএটিভিটিগী ষ্ট্রোং কলচর অমা অমসুং সাইনটিফিক ইনক্বাইরি তৌনবা ফ্লেগসিপ প্লেটফোর্ম অমা ওইরে।

১৫৫. চীং অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈবা সরকারগী স্কুলশিং অমদি হোষ্টেলশিংদা সোলর ৱাটর হিটরশিং পানবা অসিনা রিনিউএবল ইনরজি শীজিন্নবা হেনগৎহল্লে। আইদিপিশিংগী এসসি অমদি এসটি কম্যুনিটিগী থবক ফংদ্রিবা নহা অমদি নুপীশিংগী ওইনা ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামনা নুপী ৩৮০দা ইনকম জেনেরেটিং স্কীল পীবা, লাইভলিহুড সপ্পোর্ট তৌবা অমদি তুং কোইনা য়াইফনবগী মচাক পীবা ঙমহল্লে।

জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট

১৫৬. কুমজা ২০২৫গী মনুংদা, গেজেট ফোংবগী থবক অদু মপূং ফানা দিজিটেল এইনা সাইন তৌরবা ই-গেজেট ওইনা ফোংখ্রে। ফিসিজকেল প্রিন্টিং তৌদ্রে অমদি গেজেট পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌদুনা রিএল টাইম, সরচেবল পব্লিক একসেস ওইহল্লে। অসিগুম্বা অচৌবা খোঙথাং অসিগা লোয়ননা দাইরেক্তোরেট ওফ ষ্টেসনরি অসি মরিপুর সরকারগী অহানবা পেপরলেস দাইরেক্তোরেট ওইরে। মীয়াম্না একসেস তৌবা অমদি ইউজেবিলিটি

হেনগৎনবা এআই বেজ কনভরজেসনেল সর্চ সিস্তেম অমা মথং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরে।

ৱারোইশিন

১৫৭. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ঐহাক্না খঞ্জে মদুদি আগষ্ট হাউস অসিনা থম্মোয় শেংনা তেংবাং পীরিবা অমদি অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরিবা লাক্কদৌরিবা চহী অসি মহৈ য়ানবা অমদি খুমাং চাওশিনবা অমা ওইগনি।

১৫৮. ঐহাক্না থাজবা থমজরিবদি অনৌবা চহী অসিনা অমত্তা ওইবা ৱারেপ অদু নৌনা লৌমিন্নদুনা ঐখোয়গী লীশাং শিংনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী অপূনবা অমদি নুংশি চান্নবগী লীচৎ অদু খুদুং ইন্দুনা অমদি চেৎশিলহন্দুনা তংদু লৈতাবা অমদি খুমাং চাওশিনবা মণিপুর অমা শেম্নবগী অচেৎপা য়ুন্ফম থোল্লগনি।

পূমনমকপু থাগৎচরি।

জয় হিণ্ড